www.sanaleibak.in

SANALEIBAK — PROGRESSIVE JOURNALISM — সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 15,157 | 22 Carat/g : ₹ 14,435 | 1 Kg Silver : ₹ 2,55,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,550 | WEATHER: Scattered Thunderstorms | Temperature 28/20°C | Sunrise: 04:56 AM Sunset : 05:29 PM | Petrol : ₹ 106.87 Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 279 | IMPHAL, SUNDAY, SEPTEMBER 20, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নোংমাইজিং, লাংবনগী ৯ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাকপু লূন্না লৌদবা
মীশিংগী মরক্তা লৈদৌ শরুক
নথন্তা লৈবনা হেন্না ফৈ

### গাড়ী ২৩১ থোক্লককখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ নেসনেল হায়ৱে ৩৭দা পনদুনা লৈরম্বা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং পুরকপা গাড়ী ২৩১ রোম সেক্যুরিটিগী অকনবা মীৎয়েং মখাদা থোক্লককখ্রে। পনবা য়াবদি হৌজিক *...মখা লমায় ৫দা...*

### ইথনিক পার্ক শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ ৱার্ল্ড টুরিজম দে ২০২৬কী মাঙওইননা মণিপুর টুরিজমনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা মোইরাং খুনৌদা লৈবা সঙাই ইথনিক পার্ক শীৎ শেংদোকখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম *...মখা লমায় ৫দা...*

### ওফিস ছো লোনশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী থৌমীশিংনা লৈঙাক্কী ওফিস কয়া ছো লোনশিনখ্রে। এন আর সি অপদেট তৌদুনা মীতোপ খতে দাকউ অমদি *...মখা লমায় ৫দা...*

## লোইরেদনা

ঐখোয়না পানবদগী চীংদা খরা
তৌজরসু তম্পাক্তদি অওনবা লাক্লে



নুংঙাইরে, হান্না কৈসু তৌজরমদবা
মৈফাও মুৎপনা হেঞ্জিল্লক্লে

## হেক্তা হায়জিনবা

### বোইকোট তৌরে

বোইকোট তৌরে
টোটেল সটদাউন তৌরে
বন্দ তৌরে
কুমশিগী ফাইরেন থাদগী
নোংমৈ পোইনু ফাওবা
বার্তন পুন্নমক থিংলে
মখল খূদিংগী বার্তন
অথিংবসি থম্বনি
য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা
ধর্ম্ম কর্মগী ইরাং
অথিংবা থল্লিঙৈ মনুংদা
বার্তন অমত্তা তৌরকপা য়ারোই
হেক তৌরকপা তারবা
অফ ফত্তগী দায়ত্ব
পুজগদবনি মশা মশানা
কোনশিন্দে অদুবু অথিংবা অসিনা
বার্তনদি পোৎয়েং তিংলোইদৌবা
বন্দ তৌরে
টেটেল সটদাউন তৌরে
বোইকোট তৌরে।

## আর্মিগী কেম্পরদা পেত্রোল বোম লংশিনখ্রে, পুলিস ষ্টেসনদা নুঙগী লান তাখ্রে

# সি আর পি এফনা কুকি খূৎলায় পায়বা ফাবগী ৱাহৌদা কাংপোকপীদা চাউনা ইরাং থোকখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চৱাং কিনিং খুল মনাক্তগী সি আর পি এফ কোব্রানা কুকি খূৎলায় পায়বনি হায়বা মীওই ৬ ফাখ্রে। খুঞ্জাশিংনা হৌরক্তুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা চাউনা ইরাং থোকখ্রে। নুমিদাংগী মতমদা খোয়শাওনরবা মীয়াম্না আর্মিগী কেম্পরদা পেত্রোল বোম লংশিনবা য়াওনা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনদা নুঙনা লান তাখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাগাশিংনা খুন্দাবা চৱাংকিনিং খুলদা অহিং অনী চূপ্পা লান্দাখিবা থৌদোক অদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা সি আর পি এফ কোব্রা য়াওনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চৱাংকিনিং খুলগী অকোয়বদা কোম্বীং ওপরেসন চত্থবদা মীওই ৬ অদু ফাগৎখিবনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউ অমনা হায়, ঙসি নুংথিল সি আর পি এফনা ফারিবা মীওইশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী খোলেন খুলদা খুল ঙাকপগী দ্যুটি তৌরিঙৈদা ফাবনি হায়রি। মখোয় ফাখ্রে হায়বা পাউ হেক ফংবগা কাংপোকপীগী লম্বীদা মীয়াম হৌরক্তুনা লম্বী থিং জিন্দুনা মৈ থাবগা লোয়ননা আর্মিগী গাড়ীশিং চখোক চৎশিন তৌহন্দনবা হোৎনখি। খোঙজংলোইশিংনা লম্বদা মৈ থাদুনা ফাজিনখিবশিং থাদোকউ হায়না চত্থখিবা খোঙজং অদুদা লাকপা আর্মিগী কেম্পর অমদা খোঙজংলোইশিংনা পেত্রোল বোম লংশিন্দুনা মৈ *...মখা লমায় ৫দা...*

## য়ুঠ কোংগ্রেসনা থবক পীয়ু হায়দুনা সি এম বঙ্গলো তন্না থোমজিনখ্রে

### ভেকেন্সি ৫০,০০০ হেন্না লৈরবসু মেনশিন্দ্রিবা করিগীনোঃ জোনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ ‘মেরি দিগ্রীকা ক্যা’ হায়বা ওল ইন্দিয়া য়ুঠ কোংগ্রেসকী কেম্পেনগী মনুং চন্না মণিপুর প্রদেশ য়ুঠ কোংগ্রেসনা নহাশিংদা থবক পীয়ু হায়দুনা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো তন্না থোমজিনখ্রে।

মণিপুরদা লৈঙাক্কী থবক ৫০,০০০ হেন্না হাঙলবসু লৈঙাক্লা থবক হাপ্পা ঙমদ্রিবা করিগীনো হায়না ওল ইন্দিয়া য়ুঠ কোংগ্রেসকী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরী তার জোনিনা হংখ্রে।



ওল ইন্দিয়া য়ুঠ কোংগ্রেসকী কেম্পেন অমা ওইনা ইন্দিয়া পূম্বদা চত্থরক্লিবা মেরি দিগ্রীকা ক্যা হায়বা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মণিপুর প্রদেশ য়ুঠ কোংগ্রেসনা শীন দুনা বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভাবনদগী হৌরগা বাবুপারা তন্না রেল্লি লাকখি। মণিপুর প্রদেশ য়ুঠ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অমদি থৌমীশিং য়াওনা লাকখিবা রেল্লি অদুনা বাবুপারা তন্না লাকপদা মণিপুর পুলিস অমসুং রেপিদ এক্সন ফোর্স (রাফ)কী কাঙবুগা মুক্নবা থোকখি। খোঙজং অদুনা অথিংবশিং নমখায়রগা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো য়ৌশিল্লকপদা সেক্যুরিটিশিংনা খোঙজংলোইশিং অদুবু তকথোক্লবা হোৎনখি। মদুদা খোঙজংলোইশিংনা লম্বীদা ফমজিন্দুনা স্লোগান কয়া লাউখি। লোয়ননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমসুং বি জে পিগী পোষ্টর কয়া মৈ থানবা হোৎনখি। অদুবু সেক্যুরিটিশিংনা তানখায়বদগী খোঙজংলোইশিং অদু কোংগ্রেস ভাবন তন্না অমুক হনখি। ঙসিগী *...মখা লমায় ৫দা...*

## সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্লা এন আর সিগী চপ চাবা অমা খঙহনগদবনিঃজে এফ দি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ সেপ্টেম্বর থা অসি ফাওবগী মনুংদা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌনবগী চপ চাবা ৱাফম অমা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। নৎত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন দন নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ ইম্ফাল মৈরা এন্দ ক্লব কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এন আই এম এ সি সি সি)না জে এফ দিগী মীৎয়েং মখাদা খোঙহাম্পাৎ অৱাং লৈকাইদা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিঙৈ সেন্সস তৌবা য়ারোই, আই দি পিশিংনা য়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা সেন্সস তৌবা য়ারোই, এন আর সি অপদেট তৌবগী বেজ ইয়ার ১৯৫১দা ওইগদবনি হায়বা দিমান্দগা লোয়ননা *...মখা লমায় ৫দা...*

## মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপদা পীরিবা অয়েৎপা পুন্সা শ্রীগনেশনা ঙাকথোকপীবা ওইরসনুঃ গোবিন্দাস কোন্থৌজম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চত্থরকপা গনেস পূজা ঙসি লোইশিনখ্রে। মণিপুরদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা তঙদু লৈতাবা লাকপা ঙমদনা লৈরিবা অসিদা থেংনরিবা অয়েৎপা অপনবা খূদিংমক শ্রীগনেশনা ঙাকথোকপীবা ওইরসনু হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।



শ্রীশ্রী গনেশ পূজা সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা থা অসিগী ১৫দগী হৌদুনা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চত্থরকপা শ্রী শ্রী গনেশ পূজা ঙসি লোইশিনখ্রে। শ্রীশ্রী গনেশগী মিতমদা পূজা তৌদুনা চত্থরকপা *...মখা লমায় ৫দা...*

## শা–ষণ থাদোকপশিং চৈরাক ফংলগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ নেসনেল হায়ৱে অমদি এক্সপ্রেস ৱেনচিংবা লম্বীশিংদা শা–ষণ থাদোকপা মপুশিং চৈরাক ফংলগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মায়কৈদগী থোক্লকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না নেসনেল হায়ৱে অমদি এক্সপ্রেস ৱেনচিংবা লম্বীশিংদা এক্সিদেন্ট থোকপগী অচৌবা মরমশিংগী মনুংদা লম্বীশিং অসিদা শা–ষণ থাদোকপা অসিনা অচৌবা মরম অমা ওইরি। মসিদগী *...মখা লমায় ৫দা...*

## কাংপোকপীদা চিনি কিলোদা লুপা ৪৫০ য়ৌরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ চয়োল খরা অসিগী মনুংদা নাগা অমদি কুকি ফুরুপ অনিগী মরক্তা চাওনা উংখৎনরকখিবদগী চীংগী মফম কয়াদা লম্বী থিংবগী খোঙজংশিংনা মরম ওইরগা কাংপোকপীদা চিনি কিলো অমদা লুপা ৪০০ দগীনা ৪৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈনরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না নাগা ফুরুপশিংনা কুকি তাবা মফমশিংদা চৎকদবা গাড়ী কয়া থৎতুনা থম্বদগী চিনি খক্তা নত্তনা চান–থক্নবা পোৎলমশিংগী মমল তাঙখৎলকপগা লোয়ননা অৱাবা খুদোংচাদবা *...মখা লমায় ৫দা...*

## ফার্মাসিশিংদা সি সি টি ভি থমহল্লকপা য়ানা লৈরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফার্মাসিগী দুকান খূদিংমক্তা সি সি টি ভি কেমেরা থমহল্লকপা য়ানা লৈরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ফার্মাসি খূদিংমক্তা তঙাইফদনা সি সি টি ভি কেমেরা থন্নবগী ৱাফম অসি দ্রগস রুল ১৯৪৫ য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা শেমদোক শাদোক্লগা চৎনহন্নবা থৌরাংলকখিবনি। ফার্মাসি খূদিংমক্তা সি সি টি ভি কেমেরা খিন্নবগী থৌরাং অসি ফার্মাসি দুকান খূদিংমক্তা *...মখা লমায় ৫দা...*

## শৈরেংগী কুম্মৈ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ অপূনবা খোরিরোলগী মালেমগী লূপ্পা শীন্দুনা ঙসি য়াইস্কুলদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)দা শৈরেংগী কুম্মৈ (পোইত্রি ফেষ্টিভেল) থৌরম পাঙথোকখ্রে।

শৈরেংগী কুম্মৈ অদুদা নিংথেমচা সনায়াইমা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট, ৱাইখোম অমুচৌ মৈতৈ প্রসিদেন্ট অপূনবা *...মখা লমায় ৫দা...*

## ভোট লেপকদবা কেন্দিদেটশিংনা অরানবা ৱাফম তমশিন্দুনা মীচম মীয়াম্বু অপঙবা শীবিগনুঃইবোমচা



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ লৈবাক্কি থৌগল তৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোলদা ভোট লেপকনি হায়না চোং থোরক্লিবা কেন্দিদেটশিংনা অরানবা ৱাফম কয়া তমশিন্দুনা মীচম মীয়াম্বু অপঙবা শীবগী থবক লেপ্পিয়ু হায়না লম্লাই এ সিগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল হায়ৱে ২০২গী মনুং চনবা নোংঙাদা অৱাং লৈকায়দগী কিলোমিটর ৫ রোম শাংবা চীংনুং কোক ফাওরগা হেপ্পিলেন্দ তাবা লম্বী নৌনা *...মখা লমায় ৫দা...*

## ‘ডাক্তর ১০গী মনুংদা ৬তি থবক মফমদা ভিক্তিম ওইরে’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিদা লৈরিবা ডোক্তর ১০গী মনুংদা ৬তি থবক মফমদা ভাইওলেন্সকী থৌদোক মায়োক্লদুনা ভিক্তিম ওইরে। অদুগা তঙ্খায় অমনা রিপোর্ট তৌদ্রে হায়রি।

ইন্দিয়ান জর্নেল ওফ ওক্যুপেসনেল এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল মেদিসিনগী রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মমাঙ চহীদা ডাক্তর চাদা ৬০.৯ লোম থবক শুফম হায়বদি হোস্পিটালশিংদা ভাইওলেন্সকী থৌওং কয়া মায়োক্লখি। হেন্না ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি ভাইওলেন্সতা ভিক্তিম ওইরবা *...মখা লমায় ৫দা...*

## মণিপুর খুন্নাই লৈখা তানবা শীল্লকপা থৌশিল য়াদে হায়বা খঙহল্লসিঃঅমুকো





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়ানা মণিপুর খুন্নাই লৈখা তানবা শীল্লকপা থৌশিল কয়া অসি য়াদে হায়বদু মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লসি হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটে ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট সঞ্জয় শোরোকখাইবমনা ফোঙদোকখ্রে। *...মখা লমায় ৫দা...*

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা স্কাই হোস্পিটালদা এম আই সি এস টেক্নিক শীজিন্নবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা অহানবা ওইনা স্কাই হোস্পিটালদা মিনিমেলি ইনভেসিভ কার্দিয়াক সর্জরি (এম আই সি এস) টেক্নিক শীজিন্নদুনা হার্টকী অনা লায়েং চত্থবা হৌখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি রিমস রোদতা লৈবা স্কাই হোস্পিটালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউ গী মীফম অমদা স্কাই হোস্পিটালগী চেয়রমেনসু ওইরিবা চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডা. শ্যামকিশ্বর লাইরিকয়েংবমনা হায়, হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা স্কাই হোস্পিটালনা হার্টকী ওইবা অনা লায়েংগী লমদা মীয়ামগীদমক অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ওপন হার্ট সর্জরি য়াওনা ভাল্ব রিপ্লেসমেন্ট অমদি বাইপাস সর্জরিনচিংবা মখল কয়া অমা হোস্পিটাল অসিদা পাঙথোকপসু লৈখ্রে। মসিদা নত্তনা চহী নৌরিবা অপিকপা *...মখা লমায় ৫দা...*

## সেপ্টেম্বর ২১ বন্দ লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ কুমজা ১৯৪৯ সেপ্টেম্বর ২১ মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্টগী মায়োক্তা মণিপুর দিষ্ট্রিক্ট ১৬ লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২১ নিংথৌকাবা নুমীৎ মৈ ঈশিং, অনা–লাইয়েং মেদিয়া নত্তনা মণিপুর পুম্বা পুং ২৪ বন্দ থল্লে হায়না নেসনেল রিভোল্যুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম) সেন্ট্রেল হেদ কার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী সনাজাউবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোনা থিংখ্রবা লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অসিগী মতুং ইন্না মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্টগী মায়োক্তা ইরৈচা মীয়াম্না বন্দ অসি চত্থগদবনি। মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট অসি মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহ অমদি দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী রিপ্রেজেন্টেটিভকা ২১ সেপ্টেম্বর ১৯৪৯দা সাইন তৌহনখিবনি। এগ্রিমেন্টগী আর্টিকল ১দা মণিপুরগী গভর্নান্সকী মরমদা ফুল এন্দ এক্সক্লুসিভ ওঠোরিটি, জুরিদিক্সন এন্দ পৱার ১৫ ওক্টোবর ১৯৪৯দগী *...মখা লমায় ৫দা...*

## বোম থমজিল্লম্লে ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ ক্ষেত্রগাও অৱাং শাবল লৈকাইদা লৈবা য়ুমখাইবম ফেরোজ অমদি য়ুমখাইবম মুস্তাফাগী য়ুমগী থোঙ্গালদা মশক খঙদবশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লম্লে। বোম থল্লম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা উত্তুনা ফেরোজগী থোঙ্গালদা ঙসি লৈকাইগী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদু শরুক য়ারদুনা য়ুমখাইবম নুরেজাননা হায়, ৱার্কিং চৎপা *...মখা লমায় ৫দা...*

SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION

INVITATION



SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION COMMITTEE, MANIPUR
Cordially invite you to the Closing function of
SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION
20TH SEPTEMBER, 2026
AT
IBOYAIMA SHUMANG LEELA SHANGLEN
PALACE COMPOUND, IMPHAL

SUNDAY, 20TH SEPTEMBER, 2026

CHIEF GUEST
SHRI PRATAPRAO GANPATRAO JADHAV
HON'BLE UNION MINISTER OF STATE (I/C),
MINISTRY OF AYUSH AND UNION MINISTER OF STATE,
MINISTRY OF HEALTH & FAMILY WELFARE

PRESIDENT
SHRI KONTHOUJAM GOVINDAS SINGH
HON'BLE MINISTER (HOME & YAS)
CHAIRMAN ,
SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION COMMITTEE

GUEST OF HONOUR
SHRI KHUMUKCHAM JOYKISAN SINGH
HON'BLE MLA (THANGMEIBAND AC)
CONVENOR, SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION COMMITTEE
SHRI SAPAM NISHIKANT SINGH
HON'BLE MLA (KEISHAMTHONG AC)
MEMBER, SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION COMMITTEE
SHRI MOIRANGTHEM TOMBI SINGH
PRESIDENT, SHIV SENA (MANIPUR PRADESH)
SHRI KEKREMBAM SARATKUMAR SINGH
GENERAL SECRETARY, BJP (MANIPUR PRADESH)
SHRI PANGAMBAM PREMANANDA MEITEI
GENERAL SECRETARY, BJP (MANIPUR PRADESH)
SHRI LANGPOKLAKPAM DEBEN SINGH
GENERAL SECRETARY, BJP (MANIPUR PRADESH)

PROGRAMME HIGHLIGHTS
FROM 11:20 AM ONWARDS

11:20 AM - ARRIVAL OF DIGNITARIES
11:30 AM - YAGYA / HAVAN
11:45 AM - FELICITATION OF DIGNITARIES BY MEMBER SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION COMMITTEE SMT. A. MANJU SHARMA & DR. JOYBI HEIKRUJAM
11:50 AM - WELCOME AND KEYNOTE ADDRESS BY SHRI KHUMUKCHAM JOYKISHAN SINGH HON'BLE MLA (THANGMEIBAND AC) CONVENOR, SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION COMMITTEE
11:55 AM - PRESIDENTIAL SPEECH BY SHRI KONTHOUJAM GOVINDAS SINGH HON'BLE MINISTER HOME & YAS CHAIRMAN, SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION COMMITTEE
12:00 PM - SPEECH BY THE CHIEF GUEST SHRI PRATAPRAO GANPATRAO JADHAV HON'BLE UNION MINISTER OF STATE (I/C), MINISTRY OF AYUSH AND UNION MINISTER OF STATE, MINISTRY OF HEALTH & FAMILY WELFARE
12:10 PM - VOTE OF THANKS BY NINGOMBAM IRABANTA SINGH MANAGING DIRECTOR (UNACCO) MEMBER, SRI SRI GANESH PUJA CELEBRATION COMMITTEE
12:15 PM - RAAS LEELA
FOLLOWED BY LUNCH
SRI SRI GANESH VISARJAN

ৱারীমচা

# শিবা কীবা অমসুং কীদবা

## কৈশাম প্রিয়োকুমার

অহিং নোংয়াই চল্লক্কদৌরে। মীপুম তিংনা তুম্লখ্রে। এক্সিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র মনিচন্দ্রনা কোন্থোংদা গাড়ী খামহল্লগা দ্রাইভরবু গাড়ীগা কোন্ননা ময়ুমদা হলহনখি। থোঙ্গাল্লোমদা গাড়ী লাকখি খামখিবগী মখোল হেক তাবগা, মহৌশাগুম মপুরোইববু ঙাইনা মীৎশেং খাংলম্বী ইবেচাওবী হৌগৎলকই। য়ুমগী অতে মীওই হৌদোল্লুদে। পরপ–পরপ গেটকী শো হাংদোল্লে। ৱাং খ্রবা পাকখ্রবা য়োৎকী থোঙপাক পানবা কোন্থোঙদুবু খজিক্তং হাংদোক্তুনা মনিচন্দ্রনা মনুং হেক চংলকপগা কদোমদগীনো খঙহৌদনা শকখঙদবা নুপা অনিখকসু মনুংদা লিৎশিল্লকই। থোঙ থিংজিনবা নংহৌদে। মনিচন্দ্র শ্বায় লাওই। লাকমীন্নরিবোই খন্দুনা তিঙক–তিঙক লেপ্লিবী ইবেচাওবীগী মনাক্তা খংচং–চংশিল্লি। কোনশিল্লুদে হায়বদা মখাকই। অদুবু লৈজবী লিন্দা ফুদোক্তুনা মখোল নিক্লা হংলকই ''কনা কনানো?''

ইবেচাওবীসু থম্মোয়দা থুক লাওবা পোকই। অদুবু থংনবা মীৎকুপতদি পুম্নমক থেংরগে মতাগুম যৌনা ফনা চংশিন্দুনা মপুরোইবগী মাঙ ওইরপ্লা লেপই।

''ঐনি সাহেব ঐখোয়নি।'' নুপা অনিদুগী মরক্তগী খরা ৱাং চাওবা অমনা মকোক্তগী তুপি লৌথোক লৌথোক্লা খুল্লকই।

মাঙ্গোলদা থাল্লিবা ইলেক্ট্রিক্টকী মঙাল কোন্থোঙদুদা থোইনা য়ৌদে। থৱান থাশিরমদাইগী থোরকপদা ঙাইরিবা থাসু অমুবা লৈচিলনা অমুক–অমুক খঞ্জিল্লি। খজিক্তং লাপথোক্লবদা মশক লাকশিনবা ঙমদে। অদুবু খুল্লক্লিবদুগী খোঞ্জেল অমসুং ফিবম মুর্তিদুগদা মনিচন্দ্র, শ্বর চনিং খজিক্তং তানা হোনে দাকপগুম তৌই। মকলাক্তি নিক্লি – ''ইবুঙো লৈশেন্বরা?''

– ''মানি সাহেব, ঙসাইদগী সাহেব হল্লকপা ঙাইরিবনি।''

– ''অশুক থেংনা! হয়েং ওফিস্তা উনবা য়াবদুবু?'' মখোল নৌথে, নোক্লিংদনা নোকশিন্নে।

– ''ঙসাইসু ঙরাংসু নহানসু ওফিস্তা ঙাইবনি, চেক পৱার থাদোকপা খুদিংগী অসুম্না হেক হেক ওফিস কাদে লোৎলি খঙদুনা সিদা ঙাইবনি।''

অসুম খুল্লিঙৈ, লাকমিন্নবা অতোপ্পা নুপাদুনা থোঙ্গালগী হায়রপ হাং দোল্লিবা থোঙদু মখোল থোকহন্দনা থিংজিনখি।

মনিচন্দ্রগী মপুক্লিংদা চিংনবা ফাওরকই। মরাইবক হুমাং কারকই। মখা তাফম খঙদে। অদুবু তুমিন্না, যৌনা ফনা লেপ্লিবী ইবেচাওবীনা ইতপ তপ্পা হায়রকই – ''মাঙ্গোন্দরা ইমুংদরা অঙানবদা জ্ঞান তানা ঙাংনবনা ফরোইদরা?''

''কুইরোই ইতৌমা, গাড়ীসু তুরেল খোঙবাল লম্বীদা লৈহৌই, সাহেবতগী ৱা অমত্তং খঙলগা লোয়রে।'' হায়রগা মনিচন্দ্রদা ওনশিন্দুনা তপ্পা মোং হাদনা মখা তারকই – 'ঐগী চেকতু ইবিরবরা?'

– 'ইবুঙো লৈশেন্বা ... সুম তৌবনি ...'

– 'সুম তৌবা নত্তে, ইরব্রা ইদ্রিব্রা?' খোন্দি ৱাংখত্তনা শংদোক শুক্তোক্তুনা লাওরকই। মনিচন্দ্রসু ইবেচাওবীসু থাজদে অদুম্না খোন কল্লক্কনি হায়বা।

–'ইবুংঙো অমুক্তা শাওগৎপিখিনু – জ্ঞান তানা অমুক্তা ৱারী শাবীখো।' ইবেচাওবীনা ইপা–পাখৎনা থেমজিন্নবা হোৎনরকই।

–'ইতৌমাগী নথৌ লৈতে, ফত্ত–নুংদা থোকহন্নিংদ্রবদি তুমিন লৈবীয়ু, ৱারী শানরিসে সাহেবকনি।' হায়না হায়না মবুক্তগী নোংমৈ মচা অমা শত্তোল্লগা ইবেচাওবী অমদি মনিচন্দ্ররোমদা মতোন ওনশিন্দুনা ফৎ–ফৎ হাই।

ইবেচাওবী তুমিন লৈখি। অথাপ্পা অমসুং অনকপা য়ুম্লক্কী হুইশিংনা খোংনরকপগী মখোল তাবা নত্তনা মীৎকুপ খরা পুমচিক চিকই। থাদি লৈচিল মরক্তগী খরা–খরা লিৎথোরক্লি।

– 'খন্নরগা হেক্তা ইনবা তৌসি কৈদৌবগে?' অকিবা পুন্বা নমথরগা মনিচন্দ্রনা খোন নৌথনা হায়রকই।

মনিচন্দ্রগী থবক তৌঙৈ পুন্সিদা খুৎথিবা কয়া থেংনরকখ্রে। মাগী ওফিস কাদা কনাসু উহৌদনা নত্তগা ময়াম খঙনা চৈ থাংলম্বা কয়া য়াওখ্রে, খুৎ থারম্বফাও থোকখ্রে। নোকশিন্নদুনা, নৌথ–শিথশিন্নদুনা থেমদুনা থাদোকখিবা কোঙ্গাইনি। উপায় লৈতনা লৈহৌবসু কয়ারক্লি। শাওবা ফারগা মঙোন্দা অমুক মরাইনা চঙজরক্কদৌববু হায়বগী থাজবদা শিনফম্ননি খনে দাল্লকখি। অরেম্বদা থৱায় মাংবা য়াবা নত্তে, শেলসু তানবা তাই, অদুনা অমুক থেমদুনা হায়রকই – 'ইবুঙো লৈশেন্বা, নঙগী বিলসি কুইরে হায়বা নয়াম্বা খঙই, হৌখিবা পৈশা লাকপদসু ইখিদে, ঐ তশেংনা নুংঙাইখিদে ... উপায় লৈখিদবনি ... অচৌ অশাং মন্ত্রিশিং করিশিংনা মা–মাগী মীওইশিংগী চেকশিংবু হান্না নম–নমদুনা ইহল্লি হায়বা নঙসু খঙলিদুনি, হৌজিকমকসু মন্ত্রিগী ক্বার্টরদগী লাক্লিবনি, ঙসাইদগীনি মখোয়না ফারিবা, হন্দকসু শাংলবা চিঠি অমা পিরক্লিবসিনি।'' হায়না হায়না মফুরিৎখাওদগী চে অমা শত্তোক্তুনা উৎলকই। লৈশেন্বনা চেদু তাপ মুল্লগা মচেৎ মচেৎ শেগায়। মনিচন্দ্রদি উপায় লৈতনা তিঙক তিঙক য়েংই।

– 'কেসিয়ারদা শিন্নবা লিষ্ট উরে, ঐগী য়াওদে, নহানৱাই লৌখিবা লুপা লিশিং মঙাদু কাউরমাল্লে, কান্নদে ৱা মখা তানবা।'' লৈশেন্বনা তপ্পা হায়রগা ঙসাইদগী ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাংলক্ত্রিবা লাকমিন্নবদুদা হায়ফেৎ য়েংখি। নুপাদুনা কদাইদৈনো খঙহৌদনা বোরাখাও অচৌবা অমা পুথোরক্লগা মচিন লাওনা ফাক্তোক্তুনা লৈমায়দা থম্মি। লৈশেন্বনা হান্নগুম অমুক মনিচন্দ্রদা তপ্পা হায়রকই – 'বোরা মনুংসিদা ফম্মু।''

–''করিনো ইবুঙো! ইনাওনা হায়রিসিবো। ঐ ইজরগে হায়রিদনা, ইনাওগী পৈশাদুসু হন্দোকচগে...।'' মনিচন্দ্রদু মশা নিকই, লৈয়েং ফাই, পাখৎলি। মাগী ৱা লৈশেন্বনা তাদে, মরক থৎনা মনাক্তা চংশিন্দুনা, পাইরিবা নোংমৈনা মনিচন্দ্রগী চুবাদা নল্লুই।

–'অরেন্বদা নথৱায় মাংনিংদ্রবদি বোরাসিদা ফম্মু, নচিনথিবা নঙগী নৱা লৌদে, নঙগী খোন নৌথবা নোকশিন্নবা ঐ খাংবা ঙমদ্রে ফম্মু বোরসিদা ফম্মু।''

মনিচন্দ্র জ্ঞান মাঙনা বোরাখাও মচিন মনুংদা চংদুনা ফমথে। নুপা অমদুনা খুদক্তা, ফি মচেৎ অমনা মনিচন্দ্রগী মচিন পুনশিল্লি, মখুৎসু তুংবুনহল্লগা পুনশিল্লি, অদুগা বোরা মচিন চিংখৎতুনা চেৎনা কিশিল্লি। মনিচন্দ্র বোরা মনুংদা চেক মোক লাওদে।

অসুম্না অশুক থুনা থোকপসি ইবেচাওবীদদি মঙগুম্না থোকই। মঙলাক্লরিবগুম লাওনবা হোৎনৈ। ঙমদে। খোঞ্জেল থোরক্তে। লাওগে হোৎনরিঙৈ খঙহৌদনা মাগীসু মচিন পুনশিল্লকই, মখুৎ পুনশিল্লকই, মখোঙ পুনশিল্লকই।

–''নঙগী নুপা সাহেবসে হয়েং তুরেল খোঙনুংদা থিয়ু।'' হায়রল্লগা লৈশেন্বনা তুম্পক তারিবা বোরাদু মরেংবান্দা থোঙ্গৎলি। বোরা মনুংদা মনিচন্দ্র পাখৎপা মওংদা করিনো হায়নিং লাওনিংবগুম ফ্রিং ফ্রিং চোংলকই। –''নথৱায়দু নুংশিরবদি লেংগনু সাহেব।'' লৈশেন্বনা হায়। বোরাদু লেং লকখিদ্রে।

হৌজিক্তি অতিয়াদা নোং মচেৎ–মচেৎ লৈরবসু থাবল নিংথিনা থোক্লে। নোংজুথা মমৈ ওইদুনা তুরেলগী ঈমায় চোল্লম্বদগী হন্থরক্লবা মতমনি। অদুবু অচিকপদুদা ঈচেলগী ঈরাওখোলদি ময়েক শেংলি।

লৈশেন্বা, লেংথোঙ নারক্লিবা বোরাদুগা তুরেলগী ঈচেল ময়া নক্লা কুমথরকই। লাকমীন্নবদুদি তোর্ব্বান লম্বীদা খাল্লিবা মোটোর সাইকল ষ্টার্ট তৌগদগুম লৈহৌই। লৈশেন্বনা বোরাদু হিদেন তাফমগী পিল্লবা লম্পাক্কী লৈমায়দা দোপ থাদৈ। বোরাদু অমুক ফ্রিং ফ্রিং চোংলকই।

–'ঐহাক থবক ফংদ্রবা, পুন্সিদা নিংবা–কায়বনা থল্লবা, শিবা কিদ্রবা নহানি। নঙনা শিববু কাউথোকপমখৈ নুঙাইনা হিংলিবা মীনি। মসি খঙনা চৎনদ্রবদি...'

মখা তারমদে। বোরা মচিন পায়দুনা অমুক অনিরক্তং থোক–থোক নোল্লল্লগা, লৈশেন্বা কাখৎলকই। মোটোর সাইকল মনাক য়ৌরকপগা অমদুনা ষ্টার্ট তৌই। অদুগা গাড়ীদু লৈশেন্বা য়াওদনা খরা থৌগৎপা হৌরগা অমুক লেপ্পি। মরক্তুদা লৈশেন্বনা তুরেল খোঙনুংদা অমুক হন্না তপ্পা–তপ্পা কুমথরক্তুনা, মথোং মরম খঙদনা ফ্রিং ফ্রিং চোংলল্লিবা বোরাগী মচিন পুনলিবা কিশি থোক্তোল্লম্মী। অদুগা তোর্ব্বান লম্বী তান্না চেনখৎলকই। লৈশেন্বনা মোটোর সাইকল মনিং হেক নপ্পগা অমদুনা গাড়ী যৌবা হৌনা–হৌনা হায়রকই – 'হয়েংদি মরাইনা ইজরনি।''

লৈশেন্বা খুমদে। মবুক্তা য়েপশিল্লুরবা নোংমৈদু অমুক শত্তোল্লগা, খোঙনুংগী ঈচেল তম্না লাক্তুনা লংখি। তুরেলগী ঈচেলদা, অমুবা নোংমৈ মচাদুনা লুপ্লি–লুপ্লা তাওথখিবদু অতিয়াগী থা থৱান্নদি মশেন মরাং উরমগরা?

ৱারীমচা

# মরক্কী পাউমী (ইন্টরলোক্যুটর)

## নবাকুমার নোংমৈকাপম

''... সে লাক্ষ কুস্থাদগী চেগোপসিনা মৈনুংদুদগী চপ্পগা খুদক্তা কোথোকপিরক্কদবা। ইন্ট্রোগেসন সেল হৌহনখিবা য়াদেকো'' হায়রগা ব্রিফ কেসতু মনাক্তা ইনশিল্লল্লগা থোকখ্রে মমা লৈবাক নীংবা অনীদো।

মোবাইল ফোনগী মেমোরিদগী নম্বর অমা থিরগা কন্টেক্ট তৌই। কোদ লেঙ্গুএজদা চৈতেক চৈরাং ঙাক্তা করিনো খরা হায়নখি।

ফোনগী ৱারীদু লোইফাৎত্রিঙৈদা এম এল এগী লোকেল এরিয়া দেভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী বেনিফিসিয়ারি কমিটিগী সেক্রেটরী অমদি প্রসিদেন্ট ওইরিবা, মীখলদা মথ্বায় বন্ধান থমদুনা হোৎনজখিবা তোম্বা অমদি তোঞ্জাউ চঙলকই। থবক খুদিংমক শূবা লোইরে হায়না কমপ্লিসন রিপোর্টতা সহি তৌদুনা পীখিবা ব্লোক দেভলপমেন্ট ওফিসার অঙম্বসু মতুং ইন্নরক্লি। পুলিসনা ফানবা কোইথি থিরল্লবদা কমদৌসিগে হায়দুনা কোক সিয়ার তৌমিন্নবা লাকপনি।

অঙম্বনা মথম্মোয়দু থিনগায়রগা ফাওগৎলকই, ''শেলনা এম এল এ সাহেবনা, অদুগা শিবনা ঐখোয়না! হৌজিক কৈদৌবিদৌরি?''

মখোয় অহুমদুগী মকোকশিং তেবলদুদা থম্মী। অদুগা এম এল এদুগীসু মথম্মোয়দু লৌথোকপিরক্লবা হায়জে।

''নো নো। ঐ এম এল এ তোম্পোক্লিনে।''

বেলগী খুৎখীং অমদা সেকমাই লীক্লী অহুম তেবলদুদা ঙাম্থোইহলেল্ল।

''লেমহনগনু। মদো শান্তিনে। হান্না থকচিনখো, কোন্না খন্নসি।''

অহুমদু, ৱাথোক্কী অখাবা মহাওদু হাৎনবা অপুন্বা চাক মহীদুদা তাইনৈ।

নিশাদু ৱাংখৎলক্লবদা সেক্রেটরীদুনা মথম্মোয়দু ফক্কায়রগা, ''ঐখোয় সিরে, নঙ শিরে। ৱারী হায়বু সিদা লোইরে'' হায়রগা হৌগৎলকপদা চৌক্রিদুদা পন দুনা গ্রোঙ গ্রাঙ তুশিনমিন্নে।

বেলগী খুৎখীং অমদা খোঙবী খোঙনাও খরা চঙশিল্লক্লগা অরোবশিংদু লোক্লগা হৌদোংনা মচা লুসমদা চীক্লগা পুগুম শেগাদা য়েপ্তুনা পুথোকখি।

এ আর মেজর আরবিন্দ চঙলকই। মথম্মোয়দু তিং থোক্তুনা ফিদা থাই। মারিনবা হোটেলদগী য়েন অঙৌবা লৌহল্লুই। অখন্নবা থম্বা মমল তাঙলবা মীরৈবাক্কী য়ুদ হৈথরগা শান্তি লোকমিন্নে। ৱারী কয়া হরাওনা চীকথনদুনা মথম্মোয় অনীদু পাত্র অমদা পুল্লপ হৈজিল্লগা তুম–হী (সোলুসনা) শেম্মী। অদুদগী য়েনফে অমমম পায়দুনা হৌগৎলগা বোল্ড দান্স তৌখৎনরকই। কাগী লৈতেং গী পোৎলম, তেলিফোন, ফিল্টর ... লোইনা পুমচাই।

ঙসাই নহা অনীনা কারল্লবা অথেনপোৎতুদগী মঙা মঙাগী মপুল অহুম কোথহৌরগা তেবল মখাদা তপ্পা ইনশিনখি। অরেম্বা তংখাইদুনা চবান থারগা থাদোকখি ইনি দয়ান দোক্তুদা। অদুগা লেম্না মাগী চৌক্রিদুদা লেকথহৌই।

মেজরদুনা, গাড়ীদা য়াওরিবা মমিৎ খুম্বা, ঙাইহাক্কী মমাঙদা শিকারদগী ফারকপা লালহৌলুপ অমগী ভাইস চিয়ারমেন্দু থল্লল্লগা অরোবা অহুমদু হাপকৎলগা গাড়ীদু থৌখ্রে। ষ্টোক একচেঞ্জ!

অয়ুক্লি। থম্মোয়গী শাইওন্না য়াকৈরকই, ''তাবিরবরো? মখোয় অহুমদো লৌবুক্কী সড়ক কারোং দা শিরগা তারল্লে হায়দুনা গেত্তা লাউ খোঙদুনা মীয়াম্না ধরনা তৌররে। লেঙখৎনবা তৌরসে।''

তপ্পা মথম্মোয়দু শাত্তোল্লগা খুল্লকই, ''থেঙ্ক য়ু য়োর সার্ভিস, মেজর সাহেব। কমদৌই খোঙয়া উফুলশা? ওনখৎলকখোদনা? শিখ্রবনিনা ইনক্কারি কমিসনগী রিপোর্টদু মথন্তা থুপচিনজখ্র'নি।''

গেত্তা পাল্লিবা সেক্যুরিটি কেমেরাগী মমাঙদা লাঙলিবা মীয়ামদু টি ভি মোনিটর থাগৎলগা মীৎয়েং তাই। অশিবশিংদুগী ইমুং মনুংশিংনা কপ লাউবদা উরগা মীনুং শি পোকপিবগী মহুৎ করি খল্লুরবনো খঙদে মোমোন নোক্লম্বদগী শংগৎলগা হায়রকই, ''মখোয়সিবু লোইনা বুদ্ধি শোইরোল্লজাৎলনে? লাঙলিবা মফমদো সি এমগী গেট নত্তে, চৎখ্রো হায় য়াদ্রো নখোয়বো?''

মাগী অরোনবা করবারগী রিংখক্তদা পীবা অখন্নবা মোবাইলদুদা রিং তোন অমা লাকই। য়েংই। 'শামু' হায়না ইদুনা চোংথোরক্লিবদু উই।

''কৈদৌরে শামু?''

''তামোগী খূৎ য়েৎ শামু, টাইগর ব্রান্দগী মফোল কেজি অহুমগা কোন্ননা ঐখোয়গী কষ্টদিদা লৈরে। পাউ হনবা ঙাইহাক্তা লেঙথোকপিরক্তবা য়াদ্রে, ...।''

''মদো নখোয়গী য়েক্লবনি হায়রিবা লোইলম মপুগী ধারা নালাশিং লোইশিন্নবনো। লমদমসিগী ঈদা করিসু শোক্লোই।''

''এম এল এ অমসু ওইবিরগা করিগীনো মীতে চনুশিংগী তোঙশা আর্মি কেম্পতা সপ্লাই তৌবিরল্লিবো? অকূপ্পা মরোল খূৎ য়েত্তগী লোইনা ফংজরে। মদুগীদমক অহকপা দন্দি ফংলোইদৌবগী মরম লৈব্রা?''

লোন্না ইচং যৌনা খুমখি, ''নখোয়না এক্সুসতা হাৎলিদু সিফাই পান্নাও শিংনাউ খরখত্তনিনে। এইদসনা মপুরোইবা হাৎখ্রবী লুখ্রাবী কয়া কেম্পদা থাজিন্দুনা লোন্না হাৎলিবা সিফাই মশীংসি নখোয় খঙলবরো? নুপীশিংদুগী ঈ টেষ্ট তৌনিংব্রা? অদুনা, দণ্ডিগী মহুৎ মনা পীফম থোক্তবরা? ৱাফমসে লিক ওইবা য়াদবা। শামুদো পোত্তুগা লোয়ননা খরা থুনা ইনাক্তা য়ৌহল্লকউ। পোত্তুগী সেক্যুরিটিগী নাইন এম এম দুদি নখোয়গী ওইহৌরো। থল্লে।''

ফোন থমখ্রে। মপান্দা লাঙলিবদু মুন্না য়েংলগা মপু নীংবা থোঙশঙ হুইজাউদু কৌশিল্লগা হায়খি, ''নখোয়বু ক্বার্টরসিদা থারক্লিবসে গেট্টা শান্নরিবা লীলাসে দর্শন তৌনবগীরা? য়ু গেট আউট।''

অশাওবা মমায়দু লয়শিল্লকপদা টি ভি মোনিটরদা অমুক উরি তোম্বগী মমাদু ৱাম্থখিদুনা লৱাইদা ঈশিং থানরিবদু। পেন্দদুনা লাউ খোংলিবশিংদু, মনাকোংদা ঈ হৈজিনখ্রবা হুইশিংদুনা চোংশিন চোংশিন চীক্লি...।

হকচাং তংখাই ওইবীদুনা শজিগুন্না তথক তথক্লা, ''করিনো, কেন্দ্রগী মীয়ামসিদা অসুক তমথিনা তৌবা হৌনব্রা? নঙবু ভোট অমুক লেপ্পরোইদ্রা?''

নোংশাদুনা মথম্মোয়দু মায়থোঙনা খনজিল্লগা খুল্লকই, ''হৌজিক মতমদা ভোটর অমগী মমলবু কয়া য়াল্লদনা? খরা শিংবশিং লৈগে য়াদ্রসু ভোটকী ভেলুদদি চপ মান্নবা শেন, থকপা চাবা অমদি অরেম্বা পান্বা, অপঙ অশোক, লায়র চদৎনবা ভোট বেঙ্ক য়ান্না লৈ ঐগী কেন্দ্রদা।''

''ঐখোয়গীদমক্তা শিরসু শিজরগে হায়দুনা লৈজরবা ঐখোয়গী এক্টিভ ৱাকরশিংদু হাৎতোকপিরিদুনা করি মরালগীনো?''

''মরাল লৈত্রবদি মীসি হাৎপা য়াদ্রবরা? মীনা কৎলবা ঙাশিংদু নঙনা অচৌবা ঙায়োক চফূ অমদা য়োকইদনা। মদু নঙনা চানীংবা নুমিত্ত ফাদুনা হাৎলগা, থোংদুনা হেক হেক চায়। মদুদা ঙাদুগী মরালদুবু করিনো? অপাম্বা মফম অমদি মতমদা শীজিন্নদনা ঐনা ঐগী ফার্মদা মচীঞ্জাক থাক্তুনা য়োক্লিবশিংসিবু করিদা শীজিন্নবনো? দরকারবু ওইরবদি হাৎপদা করিসু কায়দে। মীনা ইকায় খুম্নহনগে হায়রবদি মপান্দনা ঈশিং, মনুংদনা ঈ থকপা হৈবা তাবা।''

শৈরেং

### মায়দা তিলদি শিৎহনগুমসি

–রঞ্জির থিয়াম

অহল লমন পান্দবগুম,
লোনচোপ খোনচোপ শীজিন্নদুনা
রিল সোর্ট ফিল্ম নল্লিবশা
লাইক, ভ্যুঅর য়াম্লবা হোৎনবদা,
নশা নশাগী ইজৎফাও য়োল্লিবশা,
সমাজসিবু লৈখাতানা চিংথগুমসি.
তুংগী মীরোলশিং মাঙহনগুমসি।
লাইক ভ্যুদি হায়রুনু,
অহল–লমন পন্দুনা চৈরক্কনি,
নোরোক্কী কোমদা তাজনি।
মতম মানা লৈরিঙৈ,
ফত্তবা অরানবশিং শেমদোকহৌসি
মীয়ামগী তমজনফম ওইহনসি
মায়দা তিলদি শিৎহনগুমসি।

### লময়ানবা হিজম ইরাবত

– গোপেন্দ্র থোকচোম

লময়ানবা হিজম ইরাবত
অরংবা মৈরানি নঙদি
শিনাইদবা নঙগী
হুকপিরল্লে লীক্লাং ওইনা
পোক্লফম ইমাগী ঙকশমদা।
ইমা লৈবাক্কী য়াইফনবা
হনবা লৈতনা হোৎনখিবা
তেল্লবা নঙগী পূন্সিগী
তাহৌরে খোঙ্গুলদি লোয়নাইদনা
ঙানবিরল্লে নুমিৎ থাগুম
মল্লবা ঙসিগী মালেমদা।
মীয়াম্বু মিকপ থোকহন্দুনা
লাউখি অচুম্বগী খোল্লাউ
নমফু শাফুগী মায়োক্তা
নীংখা তম্বা ফংনবা
লৌমী শিন্মিশিংবু লমজিংখি
কথোকখি থৱায় মীয়ামগীদমক।

### চেক্লা অদু কনানো

–ডা. থোকচোম চন্দ্র

খাঙপোকশঙ অসিগী মনুংদা
লৈরিবা নহাক কনানো?
কৈদৌঙৈদা উখিদ্রি, হায়ফেত্ত ফাও মহাক্কী শক্তম
মহাক মফম শিন্থুংনা কোয়চৎ চৎলি
অদুবু খজিক্ত ফাওবা উবদি লৈখিদে।
মহাক নুংতিগী পোৎ–চৈ লৈ
মফম অসিগী কৈথেলদগী।
অদুম ওইনমক,
ঐঙোন্দগী য়াম্না হৈশিংনা নান্থোকখি
ঐগী থৱায়গী চেক্লদু
মখোয়গী মরমদা ঙাংনবদি তাই ঐনা
তৌইগুম্বসুং ঐ ৱা ঙাংদনা তুমিন্না লৈ।
মহাক অদু ঈশিংলা, মৈরা,
নুংশিৎলা নত্রগা লৈবাক্লা?
মখোয় কনা অমত্তা পাউখুম পীদে।
ঐগী হকচাংগী য়ুমদা, ঐদি মীনৌনি
মরম অসিনা মপানগী ওইবশিংবু, নুংশিজৈ,
পূম্নমকপু খঙবদি ঙমজদে।
হায়বিয়ু মহাক্লা করি পাল্লিবগে,
অদুগা ঐনা করি য়েংনিংবগে?

### ইজ্জৎ

–থোকচোম রেনু দেবী

ইজ্জৎ লৈনা হিংদবা
মমৈ মকোক শম্নদবা
লৈতোন্দা শরু পান্দবা
ঙাংনিংব ঙাংনিং ঙাংবা
লৈ মীওই কয়া কয়া
লৈ মীওই কয়া কয়া।
হকচাং মপুং ফারকপী
পূক্লিংগী ইহুল হোংলকপী
নুজা কয়া কয়াবু
হৈগুম লৈগুম থদৎতুনা
মৌগী শীংদা চলহল্লি
মৌগী শীংদা চলহল্লি।

### লুপা

–হিজম ইরাবোত

হে লুপা! ঙকই নঙগী নগুণ খল্লুবদা।
কনা লৈরিবগে নঙগী নগুণনা শুহমত্তবা।
মমায়–মমিৎ, মশা হুমাংনা পুমচোৎ চোত্তুনা
কালেন নুংশাগী চাল্লবা মৈশা খাঙদুনা,
অর, অর তিতি, তিতি হায়না লৌ খোইরিবা
নুংশিরবা মরৈবাক লমদম থাদোক্তুনা,
মপা,মমা, মতু, মচানচিংবা হুঞ্জেক্তুনা,
শিবা নাবা, খুদোংথিবা পুন্বা কিবা লৈতনা.
শোঙলবা উমং, অৱাংবা চীং, তুরেল, লান্দুনা,
লল্লোলপোৎ পুদুনা মীরৈবাক্তা চৎলিবা,
তাকু, মীহাৎপশিংনা মখুৎতা থাঙশাং পায়দুনা
নুংশিবা লৈতনা থৱায় কয়া কয়া হাৎলিবা
মীগী মপোকৎ সনা, লুপা, হিরা, মুক্তা লৌরিবা
পুম্নমকসি কনাগীদমক্লো, হে লুপা!
লৈতে নঙোন্দগী হেন্না নুংশিবা মীওইবনা,
নৎত্রবদি করিগী শীন্নগদগে মচাগা নঙগা।
নৎত্রবদি নরক লীশিংদগী হেন্না ৱারবা,
করিগী ওইরুগদগে মীগী মীনাই ৱানা,
হে লুপা! নঙদি মপোক অসিমগীদমক্তনি,
হিংলিঙৈগী মতমদা লৈমিন্নগদবা ললনি।
শিরগা লোয়নগদবা অমাং অতা লৈত্রবা
লল খিবিক্তগী লেঙদবা ললবুনা
হে লুপা ! কাউহল্লে মীওইববু নহাক্লা
সংসার পুম্বসি লোয়না ঙাওহল্লে নহাক্তনা।

### খুঙ্গংগী পূন্সি

– তখেলময়ুম লৈঙাকলৈমা দেবী

**কনানা খনবীরি, কনানা হায়বীরি**
**শি–নাবা ঙাইরিবা খুঙ্গংগী মীওইনি,**
**মহৈসু হৈতবা, শঙ্গসু লৈতবা**
**থম্মোয়সু অচম্বা, মরলসু লৈতবা।**
**হায়দোক্তনা খাঙলিবা অৱাবা কোঙ্গাইনি**
**মীহৌবা লৈতবা অচম্বা পূন্সিনি**
**খঙবীদে কনানা হায়বীদে ফজনা**
**উবীদে অৱাবা শোনবীদে নুংশিনা।**
**চমজনা লৈজবা অচুম্বা পামজবা**
**খুঙ্গংগী পূন্সিনা তুমিন্না লৈজবা**
**ঙসিগী লেল্লগা হয়েংগী ঙাইজবা**
**নুংশিবা মীওইনি চম্না হিংলিবা।**

## তাবুনুংদগী

### সেপ্টেম্বর থাঃ ইরোবত থাবুম

হান্না চৎন্দুনা লৈরল্লবা মতমগা চুন্দ্রবা চৎনবী কয়াবু হোংদোক্তুনা অওনবা খুন্নাই অমগীদমক যৌনা ফনা চোংথোকখিবা মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবোতনা মণিপুরগী খোরিরোলদসু ইনৌ নৌবা য়াওল অমা পুরক্লবা হোৎনরম্বত নত্তনা তোপ তোপ্পা খুৎইদা ৱারেং শৈরেং কয়া খুদোল তৌবিরম্মী। মশামক করি, অইবা, জর্নেলিষ্ট, থিয়েটর অমসুং পুং–ঈশৈগী কলাকার, শান্নরোই, সোসিয়েল ৱার্কর, ওজা মীয়ামগী লুচিংবা ওইরম্বা ইরাবোতনা মমারোলবু হকচিন্না নুংশিজবগা লোয়ননা লোন অসি চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম পুনশিন্নরগা থবক পাঙথোক্কদৌবনি হায়বসিদা থাজবা থমদুনা মহাক্লা ১৯৩৫দা মণিপুরী সহিত্য সম্মেলনি (মতুংদা মণিপুরী সহিত্য পরিষদ ওনখিবা) লিংখৎখি অমসুং ১৯৩৭–৩৮দা জেনরেল সেক্রেটরী ওইখি। জাতি ফুরুপ অমগীদমক মমারোল অসি কয়া অমুক মরুওইবগে হায়বগী মতাংদা ব্রর্ম্মা (ম্যান্মার)গী মন্দলেদা ১৯৩৭দা ফমখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহা সভাগী অহুমশুবা অধিবেশন সভাপতি ওইনা পীখিবা ৱারোলদা য়াওখিবা মতেক অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি..

*''জাতিগী লোন হায়বসিনা জাতিবু ফাজিন্নবা অকনবা যৌরিনি অমসুং চাউখৎনবগী লুরবা থাক্লি। ঐখোয়গী জাতিগী লো ঐখোয়না পোকপদগী ইমাগী তম্পাক্তা তল্লক্লবা 'ইমা' হায়বদগী হৌদুনা লোল্লক্লবা নুংশিরবা লোল অসিবু নীংথিনা কনবা ঙমদ্রবদি ঐখোয়গী জাতি অসি মাং খ্রগনি হায়বদা চিংনবা লৈরোই, অসিগুম্বা অবস্থাদা ঐখোয়না মাতৃভষাবু কন্নবগী মরমদা মহাসভা ১ম অধিবেশন রিজোলিউসন নং ৭২য় অধিবেসনগী ১২শুবা রিজোলিউসনদা লেপনখ্রিবা অসি ব্রহ্মদেশতা থবক পাঙথোকপা উদ্রি অসিনা থবক্তা পুথোক্ত্রিবা মতম অদুগী মখৈ মণিপুরী ভষা চাওখৎনবগী মরমদা ব্রহ্মদেশতা অৱাবা ওইরগনি। স্কুল হায়বসিদা নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা মাতৃভাষা নীংথিনা মুনখ্রবদি হৌজিক মাতৃভাষাবু কাওবা য়াবা অবস্থা থোক্লিবসি থোকপা ঙম্মোই।''*

### মণিপুরী পাম্ছে –পাউরৌ, পাউতাক

- **তোঙান চাবা কুমদদি শেন্দ্রাং মথীবু অনানী (শিকিনি) খুল্লি।**
  –পৈশা পায়দ্রবা ৱারবা মতমদদি মমীৎতা পৈশাগী পৈশা ঙাক্তা উরকপা।
  – অততাই ওইরদুনা কুপশিনবা হেল্লকপা।
- **তোন্নানবা মীনা তৌবা থবক মীৱা তায়।**
  –তন্দে, মান্দে তৌরগা থবক শুবা মচু তাদে, মীৱা তায়।
  – থবক শুনীংদবা মীদি অয়াম্বা মতমদা খোন্থি চায়।
- **তোন্নানবা মীনা তৌবা থবক মীৱা তায়।**
  –তন্দে, মান্দে তৌরগা থবক শুবা মচু তাদে, মীৱা তায়।
  – থবক শুনীংদবা মীদি অয়াম্বা মতমদা খোন্থী চায়

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

### চানক্য নিতি

– শেল–থুমগী ফীভম ফরগা লৈবাক্কী নুংঙাই য়াইফবা, তংদু লৈতাবা ফংই।

– লৈঙাক্লা পূক্লীং ৱাখল ফাথবগা লোয়ননা মীয়ামগী অফ–ফত্তগী ৱাকৎ তাবিরবা মতমদা মরা তানা নুংঙাই–য়াইফবা ঙম্মী। মীয়াম্না পীরকপা পাউদমগী মতুং ইন্না লৈঙাক্লা শেমদোক শেমজিন তৌদুনা থবক যৌরম কয়াগী পোরম য়াৎতুনা থমগদবনি।

– পুকচেল শেংদবা মীশিংদি পুকচেল শেংদ্রবশিংগী মরক্তা য়াওদুনা লৈ।

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

### মণিপুরী পাউখোঙ

৯৯৮। লৈরাই উপু করিনো?
৯৯৯। লৈনুং গদা করিনো?
১০০০। লৈনুং লৈচাক খোৎপী করিনো?
১০০১। লৈদি লৈ খোইমু ইন্দবা লৈ করিনো।
১০০২। ৱাতোন ত্রেক্তর করিনো?

(ঙসিগী পাখোং লমায় ৬তা ফোঙজরি)

### মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

*(জর্নেল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা 'মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর' হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

*– জর্নেল সিংহ*

(মমাঙ নোংমাইজিংগী মখা...)

#### ''চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর''

জুন ১৬, ২০১২দা মণিপুরগী কমিস্নর (পৱার)দগী চিঠি অমা ঐনা ফংখি। মদুদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং পৱারদা চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর ওইনা ঐবু খন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না পল্লকখি। গভর্ণমেন্টনসু ঐবু এদভাইজর টু দি চীফ মিনিষ্টর ওইনা খন্নবা ৱারেপ লৌখি। ঐঙোন্দা মমিংতা ওইনা থা ১দা লুপা ১ খক থা তরুক পীনবা ঐনা গভর্ণমেন্টতা হায়জখি। মদুগী মতুংদা গভর্ণমেন্টনা ঐগী থবক্কী পোৎলুম অদু য়েংদুনা ৱারেপ লৌবা য়াগনি। জুলাই ১৩, ২০১২দা থা অমদা লুপা অমা ওনোরেরিয়ম ওইনা পীদুনা ঐবু ইনফ্রাষ্টকচর অমসুং পৱারগী এদভাইজর টু দি চীফ মিনিষ্টর খনবগী ওর্দর অমা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থোকখি।

জুলাই ২০১২দা ন্যু দিল্লিগী চনাক্যাপুরিদা লৈরিঙৈদা ঐনা কন্ট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ভিনোদ রায়দা মণিপুরগী পৱার দিপার্টমেন্টতা অৱাবা কোক্লবা মচা খায়না থবক তৌবা য়ানবা অফবা মেথোদোলোজি অমসুং রিফোর্ম হৌদোক্লবা করম্না তৌগদগে হায়না হংলম্মী। মহাক্লা ঐঙোন্দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্গনাইজেসন দজন খরনা তৌখিবগুম্না টেন্দর অমত্তা তৌদবা য়াবা এস বি আই কেপসকী সার্ভিস শীজিন্নবা পাউতাক পীরম্মী। ঐগী এদভাইজরি রোলগীদমক য়ামদ্রবদা থা অমদা ওনোরেরিয়ম লুপা লাক্ষ অমা ফংনবা পাউতাক পীরম্মী। মদুসু ঐনা খল্লম্মী অদুবু থাদা লুপা ১ খক লৌবদা য়ারম্মী। ঐগী ৱারেপকীদমক ঐগী ইশাগী ওইবা মরম লৈজে।

এদভাইজর টু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ঐনা মণিপুর ষ্টেটতা থবক তৌবদা ঐগী খোয়দাজবা অদুগীদমক মী খ্বাইনা তোঙান তোঙানবা ৱা হায়বা য়াই। ঐনা মতম পুম্নমক্তা খল্লি মদুদি মণিপুর ষ্টেট অমসুং মসিগী অঙকপা প্রজাশিংগী লমন ঐঙোন্দা তোল্লি হায়না। ঐনা মতম পুম্নমক্তা ফাওই মদুদি ঐনা ষ্টেটসিদা পীবা থবকশিংদগী হেন্না মণিপুর অমসুং মাগী প্রজাশিংনা ঐঙোন্দা পীবিবনা হেল্লি।

ঐগী কেরিয়র লিশাং শিৎনা, ঐনা মতম অয়াম্বদা অফবা অমদি মরুওইবা পোষ্টিংশিং অমসুং এসাইনমেন্টশিং গভর্ণমেন্ট খুদিংমক্কী মখাদা ফংখি। গভর্ণমেন্ট অমত্তনা ঐবু ইন্থোকই হায়বা ঐনা ফাওখিদে। ঐনা মখোয়গী মখাদা থবক তৌখিবা চীফ মিনিষ্টরশিং অসি তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগীনি। মখোয় পুম্নমক্লা ঐবু য়াম্না নীংথিনা লোয়নবিখি।

(মথং মথং...)

# এস দি য়ুগী অনৌবা প্লে 'ইমা পীয়ু' উৎখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ সোসিয়েল দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এস দি য়ু) উরিপোক অচোম লৈকাইগী অনৌবা প্লে 'ইমা পীয়ু' ঙসি রুপমহল থিয়েটরদা উৎখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা কায়থবা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেঙবাং স্কিমগী মনুং চন্না এস দি য়ুনা 'ইমা পীয়ু' হায়বা প্লে অসি নৌনা পুথোকপনি। প্লে অসি ঙসি ইম্ফালগী রুপমহল থিয়েটরদা উৎপগী থৌরমদা অথোয়বা মীথুং লেনগী ৱারোল থল্লদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্তর জি ধর্মদাশ শর্ম্মানা হায়, এস দি য়ুনা মণিপুর দ্রামাবু মাঙদা পুখৎনবা হোৎনবদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু মতম খরা য়ুনিয়ন অসি শিথরুরবা মতুং চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেঙবাংগী শেন্থং মখাদা অমুক নৌহৌননা প্লে অমা পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎপা ঙম্বা অসিমক নুংঙাইবা পোকই। খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা চিংখৎনবা হোৎনবদা য়ুনিয়ন অসিনা অফবা মখলগী দ্রামা কয়া পুথোক্তুনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এস দি য়ু উরিপোক অচোম লৈকাইগী প্রসিদেন্ট সাইখোম বীরেন্দ্রকুমারনা থৌরম মপু, ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দি অমদি স্ক্রপ্ট রাইটর ক্ষেত্রিময়ুম সোমোরেন্দ্রো অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল রঞ্জিৎ অধিকারিময়ুমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ভোট লেপকদবা কেন্দিদেটশিংনা অরানবা...

*লমায় ১গী মখা...* শেমজিনবগী থবক য়েংশিন খোঙচৎকা মরি লৈননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। খোঙচৎ অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, এম এল এ অমনা মশাগী কেন্দ্রদা অফবা থবক তৌরকপদা লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি কান্নবা থবক ওইবনা লান্না শন্দোকপগী মহুৎতা পুক্নিং থৌগৎমিন্নসি।

লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা চাওখৎ খোঙথাংদা অপনবা কয়া লৈখিবনা এ সি অসিদসু চাওখৎ খোঙথাংদা থেংথাখিবনি। ইরাং অসিনসু ইঞ্জিনিয়ার কয়ানা ৱার্ক প্রোগ্রাম কয়া শেন্বা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি ইরাং অসি তপ্না-তপ্না নেমথরকপদগী ৱর্ক প্রোগ্রাম কয়া হাপ্লকপদগী চাওখৎ খোঙথাংদা মাই ওনশিনবা হৌরক্লে। ইরাং লৈরবসু লৈনা ঙসি ফাওবা মীয়ামগী ওইবা থবক তৌবদি লেপ্পা লৈতনা চথদুনা লাক্লি। চৈরক অসিদা কনাগুম্বা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনিংবা খরনা মীচম মীয়ামদা অরানবা ৱাফমশিং তমশিন্দুনা অপঙবা শিবা অসি মতুংদা তৌদবনা ফৈ। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরকপদা পুক্নিং থৌগৎপা তমসি। লৈরিবা এম এল এশিং লনাই কান্ননবগী থবক তৌনবা নত্তে। লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌননবা চেন-চোংজবনি। মসিদা অচুম অরান খঙদনা ঙাঙবা-শকপদি তৌহন্নিংদে। অরানবা তৌরম্বা লৈরবসু ফোঙনা অদুমক হায়বিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# 'ডাক্তর ১০গী মনুংদা ৬তি থবক মফমদা...

*লমায় ১গী মখা...* ডাক্তর চাদা ৪৮ দি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা কমপ্লেন্ট তৌদে হায়রি।

ডাক্তরশিংনা হোস্পিটালদা ভাইওলেন্স থোক্লকপদা ভিক্টিম ওইরিবা অসি অয়াম্বনা অনা লায়েংবা লাক্লিবা পেসেন্ট পার্টিশিংগা শাওনরকপা অমদি ঙাংন-শক্নরকপদগী ফাথবা ঙম্লক্তবদগী থোকপনি। কেসশিং অসিদা খ্বায়দগী মশীং য়ান্না ভাইওলেন্সকী থৌদোক থোক্লিবা মফম অসি ও টি অমদি আই সি য়ুনচিংবা মফমশিংদা ওইরি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ভাইওলেন্সতা ভিক্টিম ওইরবা ডোক্তরশিং অসি গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালদনা চাদা ৬৩.৫ অদুগা লন্নাই হোস্পিটালদনা চাদা ৫৬.৯নি। মসিগী মনুংদা নুপা ডোক্তরনা চাদা ৬৪.৭ অদুগা নুপী ডোক্তরদনা চাদা ৫২.৯ ভিক্টিম ওইরি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না হোস্পিটালদা ভাইওলেন্স থোকপগী চাং অসি ও টিদনা চাদা ৮৮.৮, আই সি য়ুদা চাদা ৮৫.৩, ইমর্জেন্সিদা ৬৮.৬, ৱার্দতা ৪৬.৬ অদুগা ও পি দিদনা চাদা ৪২.৬ ওইরি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ২০১৯দা হোস্পিটালদা খৎন-চৈনবদগী ডোক্তর শোকপা য়াওরবদি শোকহল্লিবা মীওই অদু চহী ১০ জেলদা থম্বা অমদি লুপা লাক্ষ ১০ ফাইন থিহনবা হায়বা কাঙলোন অমা শেন্নবা হোৎনখি। অদুবু ২০২৩দা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা তোঙানবা সেন্ত্রেলগী ওইবা লো শেন্নবা হোৎনবা অদু মায় পাকখিদবনি হায়রি।

# সেপ্টেম্বর ২১ বন্দ ...

*লমায় ১গী মখা...* ইন্দিয়াদা ট্রান্সফর তৌগনি হায়না য়াওরি। এগ্রিমেন্ট অসিদা ইলেক্টেদ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা সেটিসফাই তৌখিদে এক্সক্যুসনগী মতমগী পোলিটিকেল সরকমষ্টেন্সেস অসি কন্সটিট্যুসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল লো ষ্টেন্দারনা য়েংবা মথৌ তাই।

ওক্টোবর ১৯৪৯ গী থৌদোক্কি মমাংদা মণিপুরনা মহাক্কি কন্সটিট্যুসনেল ফ্রেমৱার্ক লৈরম্মী। মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ গী মতুংদা নেসনেল এসেমব্লি লৈরম্মী। ভেল্লি, হিল অমদি মুস্লিম কন্সটিট্যুন্সিশিংদগীসু এদ্যুকেসনেল অমদি কম্মর্সিএল ইন্টরেষ্টশিংদগীসু রিপ্রজেন্টেটিভ য়াওরম্মী। কন্সটিট্যুসন অসিনা মীয়ান্না খল্লবা নেসনেল এসেমব্লি (পার্লিয়ামেন্ট) লৈরম্মী। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সন ১৯৪৮ দা পাঙথোকখি অমদি পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা কন্সটিট্যুসনেল ফ্রেমৱার্ককী মখাদা থবক তৌখি। এসেমব্লি অসিনা ১৯৪৯ মর্জর কন্ট্রোভর্সিগী মমাংদা মণিপুর মীয়ামগী পোলিটিকেল ৱিলগী মরুওইবদু হিংহল্লি। জি এম হোল ইম্ফালদা ২৮। ২৯ ওক্টোবর ১৯৯৩ দা পাঙথোকখিবা নেসনেল কনভেন্সন ওন মণিপুর মর্জর ইস্যুনা ৱাফমশিং অদু খন্নরুবদা, ২১ সেপ্টেম্বর ১৯৪৯গী মর্জর এগ্রিমেন্ট অদু লিগেল্লি অমদি কন্সটিট্যুসনেল ভেলিদিটি লৈতে হায়না রিজোলুসন লৌখি। কনভেন্সন অদুনা ইলেক্টেদ এসেমব্লিগী লৈরম্বা মণিপুরগী কন্সটিট্যুসনেল পোজিসন অমদি এগ্রিমেন্ট অদু এক্সক্যুসন তৌবদা করন্না তৌখিবগী সৌরাউন্দিং সরকমষ্টেন্সেসশিং অদু খন্নরম্মী। মথং মথং...

# মণিপুর খুন্নাই লৈখা তানবা শীল্লকপা...

*লমায় ১গী মখা...* অমুকো, অমৱোভা, পি এল এম পি এ এম, কোহর অমদি এম এস এফনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই নোংপোক নিং থৌ পান্থোইবী শঙলেনদা ঙসি চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং অদুদা সঞ্জয় শোরোকখাইবমনা পাউমীশিংদা হায়, ইন্দিয়ানা মণিপুর খুন্নাইবু লৈখা তানবা থেংখাং কয়াদা থৌশিল কয়া শীল্লক্লিবা অসি মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তারে। মীওৎ মীনৈ কয়া চথদুনা ইন্দিয়াগী মখাদা নমথদুনা থন্নবা হোৎনরিবা মণিপুর খুন্নাই মীয়ামগী খোল্লাও য়ু এনগী থাক্তা খঙহন্নবা ঐখোয় পুন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই।

সাইকোলোজিকেল অমদি কেমিকেল ৱার ফেয়র খক্তা নত্তনা মখল মখা কয়াগী লাল্লোংশিং মণিপুরদা ইন্দিয়ানা চথরক্লি। ইহৌ য়াওদনা চাউখৎপা পুরকখিবা লৈবাক অমত্তা লৈতে। মসি খঙনা মতম চানা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা মীয়ান্না অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌদুনা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ঐখোয়গী চপ চাবা খোল্লাও অমা তান্দ্রিবা ফাওবা লাওবা মথৌ তাই। ইন্দিয়ানা তাশিন্নদনা লৈরবসু য়ুনাইটেদ নেসন্স য়াওনা মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা তাহন্নবা ঐখোয় পুন্নক্না থৌদাং লৌমিন্নরসি।

মহাক্না হায়, মণিপুর খুন্নাইগী লৈখা তানবা চিংথনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা অরোনবা পোলিসি কয়া চথদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মায়োক্তা লূপ ৫না মীয়ামগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। মণিপুর মুখৎপা য়ারোই, কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌনবা মণিপুর লৈঙাক্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনগদবনি। এস আই আর ২০২৬ চৎনহনবা য়ারোই। অথুবদা আই দি পিশিং ময়ূম মায়কৈদা হঞ্জিলহল্লু। ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্না হৌজিক লমদমসিগী মীয়ান্না মায়োক্নরিবা অৱাবা অসি খুদক্তা কোকহল্লু অমদি আর্মর্দ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পাৱর্স এক্ট ১৯৫৮ লৌথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ কয়া অসি তান্দুনা খোঙজং চঙশিল্লকপনি। মীয়ান্না তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি লৈঙাক্না তান্দ্রিবা ফাওবা হনবা লৈতনা চঙশিনখিগনি হায়খি।

# মণিপুরদা অহানবা ওইনা স্কাই হোস্পিটালদা...

*লমায় ১গী মখা...* অঙাংদা ফাওবা হার্টকা মরী লৈননা মায় পাক্না ওপরেসন চথবসু লৈখ্রে। খোঙথাং কয়া পায়খত্তুনা লাকপা অসিগী মখা তারকপা ওইনা মণিপুরদা অহানবা ওইনা স্কাই হোস্পিটালদা এম আই সি এস হায়রিবা সর্জরি মখল অসিগী টেক্নিক শীজিন্নবা হৌদোকপনি। হায়রিবা সর্জরি মখল অসিগা হান্না মমাঙদা লৈরম্বা ওপন হার্ট সর্জরিগা মওং মতৌ খৈন্নে। ওপন হার্ট সর্জরি পাঙথোকপা মতমদদি পেসেন্ট অদুগী মতাংদা সর্জরি পাঙথোকখিবগী মমি চাউনা তাহল্লি। অদুবু অনৌবা মখলগী টেক্নিক অমা ওইনা মণিপুরদা স্কাই হোস্পিটালনা পুশিল্লকক্লিবা এম আই সি এস হায়রিবা সর্জরি মখল অসিদদি পেসেন্টগী হকচাংদা ওপরেসন তৌবগী মমি চাউনা তাহল্লরোই। মসিদা নত্তনা সর্জরি লোয়রবা মতুংদদি পেসেন্টদা পীরম্বা চৈনাগী চাং অদু অদুক্কী মতিক হন্থহনবা ঙম্লগনি। মসিদা নত্তনা সর্জরি মনুংদা ঈ অমদি ইনফেক্সন থোকপগী চাংসু হন্থহল্লগনি। সর্জরি লোয়রবা তুংদা আই সি য়ুদা মতম কুইনা থম্বা তৌদনা নুমিৎ নীনি হুন্নিগী মনুংদা অনাবা অদু দিসচার্জ তৌবা য়ারগনি। লোয়ননা নুমিৎ ১০নিরোমগী মনুংদা সর্জরি মখল অসি পাঙথোকখিবা পেসেন্ট অদু হান্নগী মতৌগুম খোঙনা নৎত্রগা গাড়ী তোংদুনা মশাগী মথৌ অদুমক পাঙথোকপসু ঙম্লগনি।

অসিগুম্বা মখলগী অনৌবা টেক্নিক্কী সর্জরি অসিনা পীগদৌরিবা কান্নবা অসি লমদম অসিগী মীয়ান্না পুন্না লৌমিন্ননবা হোৎনসি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা চীফ কার্দিয়াক সার্জন ডা. অজে কৌল অমদি চীফ কার্দিও থোআসিক এনেষ্ঠেসিওলোজিষ্ট ডা. সঞ্জিব পোপলিনা পাউমীশিংদা হায়, এম আই সি এস হায়বা সর্জরি মখল অসি কার্দিয়াক্কী সার্জন্ট খূদিংমক্না পাঙথোকপা ঙমদে। স্কিল লৈবা অমদি এক্সপরিয়েন্স নীংথিনা লৈরবা ত্রেন তৌরবা মীওইশিংখক্তমক্না সর্জরি মখল অসি পাঙথোকপা ঙমগনি। ওপন হার্ট সর্জরিগা য়েংনরুবদা এম আই সি এস হায়রিবা সর্জরি অসিনা শেল খরদি অদুমক চঙবা হেনগনি। অদুবু মসিনা পেসেন্ট অমগী হকচাংদা অপিকপা মখল অমখক হুৎলগা অরায়বা মওংদা হার্টকী সর্জরি অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। সর্জরি মখল অসিনা পেসেন্টকী হকচাংদা দাগফম লৈবগী চাং হন্থহনবদা নত্তনা হোস্পিটালদা মতম শাংনা এদমিট তৌদুনা লৈত্রবসু য়াহল্লগনি। অনৌবা টেক্নিক মখল অসিনা তুংদা লাক্কদবা লন্বীশিংদা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি থাজে। মমলগী খেন্নবা লৈরবসু লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা খল্লগা অতাবা মমলগা লোয়ননা স্কাই হোস্পিটালনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মীয়ান্না শৌগৎপা মথৌ তাই হায়খি।

# থা অমা চূপ্না চথরকপা নট সঙ্কীর্ত্তন ৱার্কসোপ মোংশাঙ্গৈ চন্দ্র প্রভু মন্দবতা লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী সি এম এ টি তেঙবাং স্কিমগী মখাদা ট্রেদিস্নেল ফোক্ক এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টর, মোংশাঙ্গৈনা থা অমা চূপ্না চথরকখিবা নট সঙ্কীর্ত্তন (খুবাক ঈশৈ)গী ৱার্কসোপ ঙসি মোংশাঙ্গৈ কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা নবদিপ চন্দ্র প্রভু মান্দবতা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী জে াইন্ট দিরেক্টর জি ধরমদাস শর্ম্ম, রুপমহল থিয়েটর, ইম্ফালগী ভাইস চিয়ারমেন লোইতোংবম ব্রজমোহোন, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী সেনিয়ার গুরু মহৈবম শ্যতবান অমদি ট্রেদিস্নেল ফোক্ক এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টরগী প্রসিদেন্ট ৱাই বিমোলাতানা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ট্রেদিস্নেল ফোক্ক এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টরগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী জি লতাম্নানা ফোঙদোরকপদা, নোংমা নোংমগী মাঙথরক্লিবা নট সঙ্কীর্ত্তন অসি মতৌ করন্না হিঙ্গৎহনগদগে খন্দুনা ৱার্কসোপ অসি পাঙথোকপনি। লমদম অসিদা মহৈরোন্দগী লৈরক্লবা ঐখোয়গী নাংকী ওইবা পেনা, খুনুং ঈশৈ, গৌরাঙ্গা লীলা, শন-শেনবা, খুল্লং ঈশৈ, খোংজোম পর্ব্বনচিংবশিং অসি য়োকখৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই। লোয়ননা মমাংঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা অসিগুম্বা কয়া অসি য়ান্না পান্নবা কুম্মৈ অমা ওইনা তৌনরম্বা অদু হোংলক্লিবা মতমগী মতুং ইন্না শুমাঙ লীলানা মহুৎ শিনখিদুনা মতম কয়া শিথরুরবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী হাক্তক্তা শান্নরম্বা কুম্মৈশিং অসি য়োকৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্না অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

# এৱার্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ এল পি জি গ্যাস কঞ্জুমরশিংনা চাকথোং গ্যাস অসি মতৌ করন্না শীজিন্নগদগে অমদি খুদোং থিগদবদগী মতৌ করন্না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকাইদা লৈবা চীংদম্বা কম্যুনিটি হোলদা এম এস আর এল এমগী মখাদা লৈবা লমজিংবা ভি এল এফ ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকাইগা এ জি সি মণিপুর ষ্টেটকা পূন্না খূৎশন্নরগা নোংমগী ওইবা মাস এৱার্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এ জি সি মণিপুর ষ্টেটকী মেনেজর শগোলশেম জয়প্রকাশকী মীৎয়েং মখাদা এ জি সি মণিপুর ষ্টেটকী ফিল্ড এসিষ্টেন্টসু মণিপুর শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্ট হেপ্পি রাজেননা গেসতগী থোক্লক্কদবা মৈহৌ লাংপোক্কী মতাংদা মীয়ামদা এক্সপার্ট ওইনা ৱা ঙাংদুনা গ্যাসতগী থোক্লক্কদবা মৈহৌ লাংপোকশিংগী মতাংদা মীয়ামদা শুগায়না তাকপী তম্বীখি।

থৌরম অদুদা এ জি সি মণিপুর ষ্টেটকী প্রোগ্রাম মেনেজর নাওরোইবম লাঙম্বা মৈতৈ অমদি এ জি সি মণিপুর ষ্টেটকী ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

# শৈরেংগী কুম্মৈ থৌরম...

*লমায় ১গী মখা...* খোইরিরোলগী মালেমগী লূপ, নোংমাইথেম কিরনকুমার, ৱাকমা এৱার্দি ফোমর কনভেনর মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমি, প্রেশিয়োজিৎ সঙলাকপম সোসিয়ে এক্টিভিষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট ই আর দি ও না অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অপূনবা খোরিরোলগী মালেমগী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম অমুচৌ মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা শৈরেং অসি ঐখোয় মীওইবনা খুন দাবা হৌরকপদগী শাগোন্নরক্লগা লাক্লবা পোৎশক অমনি। শৈরেং অসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা মুৎপা নাইররোইদবা অমনি। মালেমগী ওইনসু শৈরেং অসি লৈপাক লৈপাক খূদিংদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। ঙসি অসি শৈরেংগী ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা শৈরেংগী কুম্মৈনা হান্না হৌদোকপনি। তুংদা লাক্কদৌরিবা জেনরেসনশিংনা তুং শাংনা খঙনবগীদমক পাঙথোকপনি অমদি শৈরেং অসি মীওইবা অমনা হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমনি হায়বসু ফোঙদোকখি।

# কাংপোকপীদা চিনি কিলোদা...

*লমায় ১গী মখা...* কয়া মায়োক্নরকখিবনি। তশেংবদি ইরাং অসিনা মরম ওইরগা নাগা অমদি কুকি ফুরুপ অনিগী মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখ্রবনি। লান অসিদা ফেব্রুৱারি থাদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা ফুরুপ অনিমক্কি ওইনা পুন্না মীওই ৪০ শিখ্রে। হৌজিক নাগা অমদি কুকি ফুরুপ তাবা মফমশিংদা নোংমৈ কাপ্পবা অমদি য়ুম মৈ থানবগী থৌদোক অদুমক লেপ্পা লৈতনা থোক্লি।

ফুরুপ অনিগী মরক্তা অচেংবা তাঞ্জা হেক ফংবগা লান্দানবা মরন্না ফুরুপ অনিমক্কী মীচম মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকপা কিনরে। অতোপ্পা মফমশিংদা চৎকদবা লৈরবসু সেক্যুরিটি মতিক চানা লৈত্রবদি চৎপা ঙম্নদনা লৈরি। নাগা অমদি কুকি ফুরুপ অনিমক্কি মীওইশিং লৌউ শিংউবগী থবক চৎপা কিনরে।

মেদিকেল ইমারজেন্সি অমদি এয়ারপোর্ট চৎনবা হোৎনবদসু অয়াবা লৌরগা চৎপগী ফীভমদা লৈরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# শা-ষণ থাদোকপশিং চৈরাক...

*লমায় ১গী মখা...* ঙাকথোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। কাঙলোন অসিগী মতুংইন্না নেসনেল হায়ৱে অমদি এক্সপ্রেস ৱেনচিংবা লন্বীশিংদা শা-ষণ থাদোক্লম্লবা মপু অদুগী মথক্তা শেল ওইনা ফাইন থিহনবা অমদি মপু অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা চৈরাক পীগনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মায়কৈদগী থোক্লকপা চেরোল অদুগী মতুংইন্না নেসনেল হায়ৱে অমদি এক্সপ্রেস ৱেনচিংবা লন্বীশিংদা শা-ষণশিং থাদোকপনা মরম ওইরগা অচৎ-অওকশিংদা চাউনা খুদোংথিবা থোকহল্লে। হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনসু নেসনেল হায়ৱেজ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এন ঐচ এ আই) দসু নসনেল হায়ৱে অমদি এক্সপ্রেস ৱেনচিংবা লন্বীশিংদা শা-ষণ লৈহন দনবা ওর্দরসু তৌখ্রে হায়রি।

নেসনেল হায়ৱে এজেন্সি অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদসু মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে অমদি এক্সপ্রেস ৱেনচিংবা লন্বীশিংদা থাদোক্তুনা থল্লিবা শা-ষণশিং লৌথোক্তুনা মফম চাবা শা-ষণশিংগী থম্ফমশিংদা থম্বদা চঙবা শেনফমশিংসু পুথোক্নবা খঙহনখ্রে। এস ও পি অসিগী মতুংইন্না শা-ষণশিং থমগদৌরিবা মফমশিং অদুগী রেকোর্দ নীংথিনা অমদি শা-ষণশিং অদুবু পীজ-পীথক তৌদুনা থমগদবনি। অদুগা শা-ষণশিং অদুগী মপু হেক ফংবগা মখোয়গী মথক্তা ফাইন অমদি লৌখৎপা য়াবা কেসশিং লৌখৎকদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি।

# মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপদা...

*লমায় ১গী মখা...* থৌরমগী অরোইবা নুমিত্তা হান্নদগী লেপ্তুনা চথরকপগুম নট সংকীর্ত্তন, রাস লীলা, শুমাঙ লীলানচিংবা কয়াসু উৎখি।

পূজা লোইশিনবা নুমিৎকী মপূং ওইবা থৌরম ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, শ্রী গনেশ অসি হিন্দু লাইনিংগী ওইনদি খ্বায়দগী মতিক মগুন লৈবা ঈশ্বর অমনি। লাইনিং অসিগী মতুং ইন্না মীওই অমনা নৎত্রগা ঈশ্বর অমনা করিগুম্বা অচৌবা থবক থৌরম অমা পাঙথোক্লিংলবদি শ্রী গনেশপু হান্না পূজা তৌনরিবনি। অসুন্না মতিক মগুণ লৈরবা ঈশ্বর অমগী নুমিৎ ৫নি চূপ্না মণিপুরা ইরাৎপা অসিমক মণিপুর পূম্বগী ওইনা য়াইফ মঙ্গল ওইনবা লন্বী অমনি। ঈশ্বর অসিগী পূজা অসি ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদা হান্ননা পাঙথোক্নরবসু মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা হন্দক পাঙথোক্লিবা অসিমক য়ান্নমক অফবা খোঙথাং অমনি। পূজা অসিবু শীন-লাংলিবশিংনা মায় পাক্না পাঙথোক্লিবা অসিমক থাগৎলি। মতুং তারকপদদি পূজা অসি হেন্না চাউনা পাঙথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খিবগা লোয়ননা মণিপুরদা চহী কয়া তংদু লৈতাবা হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরিবা অসিদা পীরক্লিবা অয়েৎপা অপনবা খূদিংমক শ্রীগনেশনা ঙাকথোকপীদুনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু। অদুগা তুংগী মীরোলগীদমক অফবা মণিপুর অমা থম্বা ঙম্বা ওইরসনু হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লমশাং এ সিগী এম এল এ শোরোকখাইবম রাজেন, লংথবাল এ সিগী এম এল এ করাম শ্যাম কোন্থৌজম এ সিগী এম এল এ সাপম রঞ্জন, ওইনাম এ সিগী এম এল এ ইরেংবম নলিনী অমসুং মোইরাং এ সিগী এম এল এ থোঙাম শান্তিনা থৌরমগী মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্না ...

*লমায় ১গী মখা...* চথখিবা মীয়ামগী মীফমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মীয়ামগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়, মণিপুরদা সেন্সস মপুং ফানা য়ৈথোক্লবা মতুং কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌনবগী মতাংদা লৈঙাক্না চৎলিবা থা অসি ফাওবগী মনুংদা চপ চাবা ৱাফম অমা মীয়ামদা খঙহনগদবনি।

মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌহৌদবা তারবদি লমদম অসিগী তুংগী মীরোলদা করি ওইহৌগনি হায়বসি লৈঙাক্না মুন্না খন্থফম থোকই। মীতোপশিংনা য়েলহৌমীশিংদা ওনশিন্দুনা লান্দাবা ঙম্লক্লগা তানফম অসিদা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌবা ঙমহৌদবা তারবদি মণিপুরদা মহৌশাদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা য়েলহৌ ফুরুপশিং মুৎখিবা তাবনি। তুংগী মীরোল কনবা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী ইথৌদাংনি। মীতোপনা ঐখোয়গী মীরোল কন্নবা হোৎনরক্কদবা নত্তে। জে এফ দি অমদি মীয়ান্না য়েলহৌমী কন্নবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা লৈঙাক্না কম্প্রোমাইজ তৌরোই। মীতোপ খন্দোক্লবা তুংদা সেন্সস তৌনবা অমদি ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌনবগী চপ চাবা ওর্দর অমা লৈঙাক্না থা অসি ফাওবগী মনুংদা মীয়ামদা খঙহনবা ঙমদ্রবদি হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদগী হেন্না তমথিবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়খি।

# পাস পুপিলশিংদা সার্টিফিকেট খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ বোসেমগী মখাদা অহনবা ওইনা মেট্রিক থাখিবা লিট্টল ফ্লৱার স্কুল ইম্ফালগী ১৯৭৩ মেট্রিক বেটচকী মহৈরোইশিং ওখিবগা লোয়ননা 'ৱার্ল্ড কনফিদরেসন ওফ দি পাষ্ট পুপিলস ওফ দি দোটরস ওফ মেরি হেল্প ওফ খৃষ্টমাস'দা নৌনা ইনরোল তৌরবা স্কুল অসিগী পাস পুপিলশিংদা সার্টিফিকেট খূৎশিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি লিট্টল ফ্লৱার স্কুল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

লিট্টল ফ্লৱার স্কুল (এল এফ এস, পাস পুপিলস এসোসিয়েসন (পি পি এ)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী সিষ্টর সুপরিয়ার, রোজ মেরি অদাফ্রো, স্কুল অসিগী হেদ মিষ্ট্রেস, সিষ্টর মার্সি গাংমৈ, ১৯৭৩ গী মেট্রিক বেটচকী মহৈরোই, বিজোয়া মুতুম অমদি ১৯৭১ মেট্রিক বেটচকী রঞ্জনা মনোহরময়ুমনা দাইস মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এল এফ এস, পি পি এগী ম্যায়কৈদগী লিট্টল ফ্লৱার স্কুল ইম্ফাল অসিবু মশক তাক্লিবা পাইওনির ওইরিবা, ১৯৭৩ মেট্রিক বেটচকী মহৈরোইদা মেমোন্টো অমদি লেঙয়ান খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। মসিগা লোয়ননা গ্লোবেল সেলসিয়ান পাষ্ট পুপিলগী শরুক অমা ওইরবা এল এফ এস ইম্ফালগী পাষ্ট পুপিলশিংদা রোমদগী থারকপা ইনরোলমেন্ট সার্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা এল এফ এস পি পি এগী এদভাইজর, রতনা মুতুম, জিভন য়াম্বেম, ওফিশ বিয়াররশিং অমদি পাষ্ট পুপিলশিংনা শরুক য়াদুনা এসোসিয়েসন অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফমশিং থমখি।

# জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ইন্টরনেসনেল ত্রেদ এন্দ ইকোনোমিক কোর্পোরেসন (এম আই টি ই সি)গী জেনরেল বোদি মীফম ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দে দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মোইরাংথেম চন্দ্রকেশ্বর সেক্রেটরি, এম আই টি ই সি না হায়, হৌজিক মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ত্রেদ হাংদোক্লবা থৌরাং তৌরিবা অসিগী মমাং ওইনা আই দি পি শিংবু হান্না খুন্দা লৈতাহনবা তৌবীনবা অমদি নোর্মেন্সি লৈহল্লবা মতুংদা ত্রেদ অসি হাংদোকহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সি ঐচ ইবোহল মৈতৈ দাইরেক্টর মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট (এম আই এম এস), ৱাথম নবচন্দ্র প্রসিদেন্ট, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ত্রেদ য়ুনিয়ন (আই এম বি টি য়ু), অনিল হাওরোকচম সেক্রেটরি, মণিপুর চেম্বর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ (এম সি সি আই)সু শরুক য়াখি।

# গাড়ী ২৩১ থোক্লকখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* হৌজিক থোক্লিবা কাঙলূপকী ইরাং অসিনা মরম ওইরগা নাগা অমদি কুকি তাবা মফমশিংদা লন্বী থিংজিন্নখিবদগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুদুনা লাকপা গাড়ীশিং নেসনেল হায়ৱে ৩৭দা পনদুনা লৈরকখিবনি। রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিকসু জিরিবামদা নোংমগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুরকপা গাড়ী ৩৬১ রোম পন্দুনা লৈরি হায়রি।

# ফার্মাসিশিংদা সি সি টি ভি ...

*লমায় ১গী মখা...* হীদাক-লাংথক য়োনবগী থবক অসি য়ান্না কুপশিন্না য়েংশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা পায়খৎলকপনি।

লোয়ননা দ্রগস রুল ১৯৪৫ শেমদোরকপগী অচৌবা মরম অমনা ঐচ, ঐচ ১ অমসুং এক্সকী মনুংচনবা হীদাকশিং দোক্তরগী অয়াবা য়াওদনা য়োনবা থিংবা ঙম্নবসু হোৎনরকপনি। মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা সেপ্তেম্বর ৮দা গেজেট নোটিফিকেসনসু থোকখ্রে। ফার্মাসি খুদিংমক্তা সি সি টি ভি কেমেরা থন্নবগী য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা পুথোরক্লিবা প্রপোজেল অসি এপ্রুভ তৌরক্নবগীদমক দ্রগ টেক্নিকেল এদভাইজরি বোর্দ (দি টি এ বি) দা থাখ্রে হায়রি।

# বোম থমজিল্লম্লে ৱাকৎ...

*লমায় ১গী মখা...* মীওইশিংনা ঙসি অয়ুক্কী পুং ৪.৩০দগীনা ৫ ফাওবগী লোন্নবা স্বাইদা বোম থল্লম্বা অদু থেংনরকপনি। মসিগী মতুং ইম্ফাল ইষ্টকী কম্মান্দোগী টিম অমা লাক্তুনা থল্লম্লিবা পোৎশক অদু লৌথোকখি। য়ূম কূংনা তাবা মীরক্তা বোম থমজিন্দুনা অকি অখং পীবগী থৌওং অসি মখা তানা তৌবীগনু। ফেরোজ হায়রিবা মীওই অসি নোংমগী অফংবা থবক শুরগা হিংবা মীওইনি। নুংঙাইতবা লৈরগসু ৱারী শান্নদুনা ৱাখল তামিন্নবা য়াবা ঙাক্তনি। য়ুম্লক্তা বোম থমজিনবগী থৌদোক অসি মতুংদা তৌবীগনু হায়খি।

ঙসি চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা বোম থমজিনবা য়ানিংদে, মীচমদা অকি অখং পীগনু হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

# সি আর পি এফনা কুকি...

*লমায় ১গী মখা...* থানবা হোৎনখি। মদুদসু নত্তনা নুঙনা থোমজিন্দুনা লান্দাখি। তুংদা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসন তম্না থোমজিন্দুনা ফাজিনখিবশিং থাদোকউ হায়না অকনবা মওংদা নুঙ থোমজিন্দুনা অমসুং নাওরী কাপশিন্দুনা লান্দাখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সি আর পি এফনা ফাজিনখ্রবা মখোয় ৬ অদু কাংপোকপীদগী পুথোকখিদনবা মায়কৈ খূদিংমক্তা লৈবা লন্বীশিংদা মশীং য়াল্লবা কুকিগী মীওইশিং থোক্লক্তুনা লন্বী থিংবগী থবক চথখি।

# ইথনিক পার্ক শেংদোকখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* দাইরেক্তোরেটনা টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকা খূৎশন্নদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং খুনৌদা লৈবা সঙাই ইথনিক পার্ককী মনাক্তা লৈরিবা লোকেল কম্মিটিশিং, কম্যুনিটি ভোলুন্টিয়রশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসিয়েলশিংগা খূৎশন্নদুনা মেগা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ কেম্পেন অদু চথখিবনি।

চহীসিগী ওইনা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড টুরিজম দেগী খ্বায়দগী মরুওইবা থৌরমশিং পাঙথোকফম অমা ওইরিবা সঙাই ইথনিক পার্কতা ঙসি চথখিবা দ্রাইভ অদু টুরিজমগী সেক্রেটরী নামোইজম খেদা ভরতানা লুচিংদুনা টুরিজম দিরেক্তর খুমন্থেম দাইনা, এদিসনেল দিরেক্তর সলাম পদ্মাবতি, টুরিজমগী সেনিয়র ফাইনান্স ওফিসর খুরাইজম অমরজিৎ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ওফিস ছো লোনশিনখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওরিগা এন আরসি অপদেট তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ তান্দুনা জে এফ দিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা জে এফ দি টাস্ক ফোর্সকী থৌমীশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফেলদা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রিছোর্স, এস দি সি হিয়াংথাং, সি দি ব্লোক হিয়াংথাং, মাইনোরিটি ওফিস ফোর ও বি সি এন্দ এস সি, তাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট অমদি মণিপুর ম্যুনিসপালিটি প্রোপর্টি টেক্স বোর্দকী ওফিসশিংদা লৈরম্বা ইমপ্লোয়ীশিং মপান্দা থোকহন্দুনা ওফিসশিং অদু ছো লোনশিনখিবনি হায়রি।

# য়ুঠ কোংগ্রেসনা থবক পীয়ু...

*লমায় ১গী মখা...* খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া য়ুঠ কোংগ্রেসকী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরী তার জোনিনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক্কী পোষ্ট ৫০,০০০গী মথক্তা হাংদুনা লৈরি। অদুবু হাংলিবা পোষ্টশিং অসি লমদম অসিগী নহাশিংদা খূদোংচাবা পীনবা থবক হাপ্পগী ৱাখল্লোনদি লৈঙাক অসিদা লৈত্রিবা করিগীনো? ঙসি চঙশিল্লিবা প্রোটেষ্ট অসি অহানবা খোঙথাংনি। করিগুম্বা নহাশিংদা থবক পীদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিগনি হায়খি।

মহাক্না হায়, হাংলিবা পোষ্টশিং অসি চহীগী ওইনা রিক্রুইটমেন্ট কেলেন্দর শেম্লগা শেঞ্জা থুমজা তৌদনা ত্রান্সপরেন্ট ওইনা থবক লৌগদবনি। থবক লৌবগী এপ্লিকেসন ফোর্মসু লুপা ১দগী হেন্না লৌবা য়ারোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট, রিন্যুয়েবল ইনর্জি অমদি নহারোলশিংগী কান্নগদবা থবক থৌরম কয়া মায়পাক্লা চংশিল্লি: মোদি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি):
মালেমগী ওইনা লৈবাক অসি সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট, রিন্যুয়েবল ইনর্জি অমদি তোঙান তোঙানবা হিরমদা মতিকচানা টেলেন্ট লৈরবা নহারোলশিংগী য়াইফগদবা থবক থৌরম কয়া খুমাঙ য়াঙশিন্না চংশিনবা ঙম্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ইনভাইরোমেন্ট অমসুং ক্লাইমেটকা মরী লৈননা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অমা হৌদোকপগী ৱারোল পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, লৈবাক অসিগী লৈরিবা ইনোভেটর, এন্ট্রপ্রেনোর অমদি মশিং য়াম্লবা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী লৈরিবা স্কিলশিং অসিদা মালেমগী মীয়ামনা অচৌবা আশা তৌই।

তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা ফ্রী ট্রেদ এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনবা অসিনা মরম ওইরগা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা তোঙান তোঙানবা হিরমদা থবক তৌবা য়াবগী খুদোঙচাবা পীরি।

মালেমগী ওইনা লৈবাক অসি ৩শুবা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টার্ট-অপ ইকোসিষ্টেম লৈবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লে। মালেমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা দিভলপ কন্ট্রিশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকহনবনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা দিভলপ কন্ট্রিশিংনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা পার কেপিটা অসিদগী চাদা ৬ হেন্না কার্বোন ইমিসন পুথোক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংগা পূন্না থবক তৌমিন্নদুনা ইনভাইরোমেন্টেল প্রোটেক্সন পীনবগী মথৌতাবা অনৌবা কাংলোন কয়া শেম্নবা হোৎনরি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টদা য়ূমফম ওইরগা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা তঙাইফদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইনর্জি পুথোক্লবা হোৎনবদা কার্বোন ইমিসন য়াওদবা নন-ফোসিল ফুয়েল অমদি সোলার ইনর্জি কেপাসিটিদা মায় পাক্লা চংশিনবগীদমক তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াবু শিংথানরি। হৌখিবা চহী ১২ অসিদা লৈবাক অসিদা ৱিন ইনর্জি কেপাসিটি হান্নদগী শরুক ৩ হেনগৎনা প্রদক্সন তৌবা ঙম্লে। অসিদা নৎতনা হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক কেপাসিটিসু নোংমা নোংমগী লেপ্তনা চাওখৎলক্লি। তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা লৈবাক অসিগী লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি জেনরেসন অসি পাকথোক চাওথোক্লবা লেপ্তনা হোৎনরি।

মহৌশাগী খলবু ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক মথৌতাবা থবক থৌরমশিং হৌখিবা চহী ১২ অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লেপ্তনা পায়খৎতুনা লাক্লি। খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না মহৌশাগী খল কায়হন্দনা রিন্যুএবল ইনর্জিদা হেন্না য়ূমফম ওইদুনা লৈবাক মীয়ামদা পাকশন্না ইনর্জি ফংহন্নবসু লেপ্তনা হোৎনরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তাখি।

# রসিয়াদগী থাও লৈদুনা শিজিন্নবা ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক কয়াগী মথক্তা টারিফ চাদা ১০০ থম্বা য়াবা বিল ট্রম্পনা খূৎয়েক পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি):
রসিয়াদগী থাও লৈদুনা শিজিন্নরিবা ইন্দিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মথক্তা চাদা ১০০গী টারিফ থম্বা য়াবা অখন্নবা বিল য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খূৎয়েক পীখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসতা বিল অসি পুথোক্তুনা খন্নখ্রবা মতুং প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খূৎয়েক পীখিবনি।

য়ু এস লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নৌনা পাস তৌদুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খূৎয়েক পীখ্রবা বিল অসি য়ুক্রেনগী মথক্তা লান হৌরিবা রসিয়াগী মথক্তা প্রেসর পীনবগীদমক হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবতা পুথোরকখিবা বিল অমনি হায়রি।

অসিদা নৎতনা বিল অসিগী মখাদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমদি অতৈ অতোপ্পা মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংদা প্রেসর পীবতা নৎতনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা ইনর্জি অমদি দিফেন্স সেক্টরদা অচৌবা শাফু অমা পীগদৌরি।

অমরোমদা রসিয়াদগী থাও লৈদুনা শিজিন্নবা লৈবাকশিংগী মথক্তা চাদা ১০০গী টারিফ থম্বা য়াবগী বিল প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নৌনা খূৎয়েক পীখিবা অসিনা মরুওইনা ইন্দিয়া অমদি চাইনাদসু য়াম্না চাওনা চৈথেং নংগদৌরি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা বিল অসিগী মতাংদা য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবতা পুথোক্লবা মতুং ভোটিংদা মায় পাক্তুনা পাস তৌখিবা অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াগী লৈরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসকী মায়কৈদগী য়ু এসকী খোঙথাং অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা মরী অসিদা য়াম্না চাওনা অহোংবা লাকপা য়াই। লৈবাক অসিগী লৈরিবা মশিং য়াম্লবা মীয়ামগী মথৌ তাবা ইনর্জি প্রদকশিং ফংহন্নবগীদমক রসিয়াদগী ইন্দিয়ানা থাও লৈদুনা শিজিন্নবনি।

লৈবাক মীয়ামগীদমক মথৌতাবা পেট্রোলিয়ম প্রদকশিং তোঙান তোঙানবা লম্বী থিদুনা ৱাৎহন্দনবা হোৎনগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসনা ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি।

# লাক্লিবা চহী ২০ অসিদা ইন্দিয়াগী জি দি পি য়ু এস দোল্লর ৩৮ ত্রিল্লিয়ন য়ৌরগনি হায়না অজিত দোবালনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি):
লাক্লিবা চহী ২০ অসিদা ইন্দিয়াগী জি দি পি য়ু এস দোল্লর ৩৮ ত্রিল্লিয়ন য়ৌরগনি হায়না নেসনেল সেক্যুরিটি এজেন্সি (এন এস এ)গী চীফ অজিত দোবলনা ফোঙদোকখ্রে।

রুরকিদা লৈবা ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা পাঙথোকপা কনভোকেসন সেরিমোনিগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এন এস এগী চীফ অজিত দোবলনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা অজিত দোবলনা হায়, লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা সেক্টরদা চাওখৎপগী লম্বীদা লেপ্তনা চংশিন্দুনা অফবা তুং লমচৎ অমা ওইনবা হোৎনরিঙৈ চৈরেক অসিদা ঙসি লৈবাক অসিগী লৈরিবা মহৈরোইশিংগী লাইবক অসি থোইদোক্লা চাওথোকচনিংঙাই অমদি লাইবক ফবা অমনি।

মহৈরোইশিংনা মানা মানা তন্নিবা সবজেকশিংদা মীকোক থোংনবা হোৎনগদবনি। মতিক মথৌনা লৈবগীদমক হিংচাবশিংবু লোইশিন্ননবা বিশ্বমিত্রনা লোর্দ রামবু খনখিবনি। মতিক মথৌনা লৈবা লোর্দ রাম অমমম ওইবা ঙম্ননবা মহৈরোইশিংনা হোৎনগদবনি। লাক্লিবা চহী ২০৪৭ অসিদা লৈবাক অসিবু ৱাৎতা পাদবা খূৎকন পাঙ্গনবা লৈবাক অমা ওইন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থল্লিবা পান্দম অসিগী তাঙ্কক অসি থোইদোক্লা মরুওইবা তাঙ্কক অমনি।



ইন্দিয়াগী জি দি পি অসি হৌজিক হৌজিক য়ু এস দোল্লর ৪.০১৫ ত্রিল্লিয়ন ওইরি অদুবু লাক্লিবা চহী ২০ অসিদা ইন্দিয়াগী জি দি পি অসি য়ু এস দোল্লর ৩৮ ত্রিল্লিয়ন য়ৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# চানা থক্লবা পোৎ-চৈগী মমল লেপ্তনা হেনগৎলক্লিবা অসিনা মীয়ামগী চাকখুমগী বজেট কিন্থরক্লে: জয়রাম রমেশ

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি):
নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী মখাদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা তঙাইফদ্রবা চান-থক্লবা পোৎ-চৈগী মমল নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক মীয়ামগী চাকখুমগী বজেট কিন্থরক্লে হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ ওফ কম্যুনিকেসন এম পি জয়রাম রমেশনা ফোঙদোকখ্রে।


জয়রাম রমেশনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা, লৈবাক মীয়ামগী লৈরিবা চাকখুমশিংদা মোদি লৈঙাক্লা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা শাফু পীনবা থৌরাং চথুরকপগুম তৌরে।

লৈবাক মীয়ামগী চাকখুমগী বজেট ঙসিদি মপুং ফানা কিন্থরক্লে। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা পোলিসি অসিনা লৈবাক অসিদা হৱাই-চেংৱাই, থুম থাওগী মমল অতিয়াপক্লা ৱাংখৎখ্রে। চান-থক্লবা পোৎ-চৈগী মমল ৱাংখৎখিবা অসিনা মীয়ামগী চাকখুমগী বজেট চমন্নহল্লে। অদুবু শেঞ্জাও পায়বা কেপিটেলিষ্ট কয়াদি লেপ্তনা নুংঙাই য়াইফবা হেনগৎলক্লি। অদুগা য়ূমথোং মিল্লিয়ন কয়ানা লৈবাক অসিদা অৱাবা চৈথেং খাঙদুনা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।



জয়রাম রমেশনা মখা তারদুনা ইনফ্লেসনননা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা চৈথেং অসিগী অচুম্বা ৱাফমশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুপশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবগী থৌওং চথুরি হায়নসু ইন্দিয়া লৈঙাকপু মরাল শীরক্লি।

## Crossword # 1147



Across
1. Words of understanding
5. Saudis and others
10. Immediately, to a surgeon
14. Approach, with "for"
15. "By the ___ Get to Phoenix"
16. Second-generation first name in folk music
17. England's wharves?
20. Brouhaha
21. Coppertone rating letters
22. Language suffix
23. Rank below cpl.
24. Occupied
26. Dogie catcher
28. 1988 Meg Ryan film
29. Type of IRA
30. Press conference activity
31. Chacun à son ___ (everyone to his own taste)
32. Roy of C and W
34. Rude folks
35. Generous undertaker's offer?
39. It's a long story
40. Bridle attachments
41. Sign of things to come
42. Seattle athlete, for short
44. Full of excitement
48. President pro ___
49. Clear moisture from
50. Range's site
51. Parseghian of Notre Dame
52. Rock's ___ Leppard
53. Cable movie channel
55. Circus catcher
56. Falls on the wedding cake?
60. "Nasty" first name in tennis
61. Workout reminders
62. Gave a hard time to
63. Plow puller
64. Fuses metal
65. Shoelace problem

Down
1. Make worse
2. Refused
3. Barely make
4. Eternally, in poetry
5. Lying on
6. Unrespected people
7. Invoice abbr.
8. Blow the foam off a brew?
9. Nap after noon
10. Letter enc., maybe
11. Magician's secret exit
12. One's hands and feet
13. Males that meow
18. U-turn from NNW
19. Stephen of "The Crying Game"
25. Like a smooth head, perhaps
27. "Divine Comedy" opening
30. Sine ___ non
31. Undertakes
33. Animation frame
34. Coal container
35. Local self-government
36. Prayer to the Virgin
37. Having a burden
38. Pen name
39. In no way
42. Have ups and downs
43. Kind of pool or park
45. Happened
46. Indulge to excess
47. Prepare
49. Banned bug killer
50. Boozer
54. Dithers, to Bumstead
57. Theological sch.
58. Islanders' org.
59. Tick off

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# লৈবাক অসিগী অহানবা দেঙ্গি ভেক্সিন ২০২৭তগী হৌদুনা কৈথেলদা ফংলগনি




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি):
কাংনা চিকপদগী থোকপা দেঙ্গি লৈয়নাদগী ঙাকথোক্লবা লৈবাক অসিগী অহানবা দেঙ্গি ভেক্সিন লাক্লিবা ২০২৭তগী অঙনবা শরুক্তগী হৌদুনা কৈথেলদা ফংলগনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ডোক্টর রেধি লেবোরেটরি অমদি জপানদা বেজ তৌবা ফার্মাসিয়ুটিকেল কম্পেনি টকেদাগী মরক্তা এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনখ্রে। এগ্রীমেন্ট অসিগী মতুং ইন্না টকেদা ক্যুদেঙ্গা ভেক্সিন অসি ডোক্টর রেদিনা লৈবাক অসিদা প্রমোট তৌবগা লোয়ননা প্রাইভেট পেদিয়াট্রিক অমদি এদল্ড ভেক্সিনেসন মার্কেটশিংদা দিষ্ট্রিব্যুসন তৌবগী থবক হৌরগনি হায়রি।

অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনা টকেদাগী ক্যুদেঙ্গা ভেক্সিন অসি রিগুলেটরি অমদি ক্বালিটিগা মরী লৈনবা মথৌতাবা প্রোসেস চথুরবা মতুংদা প্রমোদ অমদি দিষ্ট্রিক্টব্যুসন তৌবগী খোঙথাং অসি পায়খৎকদবনি হায়রি।

হৌখিবা জুলাই থাদা সেন্ট্রেল দ্রগ ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সি দি এস ও)না মশাগী চহী ৪দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা ক্যুদেঙ্গা ভেক্সিন মার্কেটিং তৌবগী অয়াবা পীদুনা লৈবাক অসিগী অহানবা এপ্রুব তৌবা দেঙ্গি ভেক্সিন অমা ওইরি।

ক্যুদেঙ্গা ভেক্সিন অসি দেঙ্গিগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সেরোটাইবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লনবা কম্পোনেন্ট কয়া য়াওবা অখন্নবা দিজাইন তৌদুনা শেম্বা ভেক্সিন মখল অমনি। ভেক্সিন অসি ০.৫ এম এল দোজ অমা কাপথোক্লবা মতুং থা ৩গী মতুংদা অনিরকশুবা ওইনা কাপকদবনি।

পনবা য়াবদি দব্লিয়ু এচ ওগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০২৪দা ইন্দিয়াদা দেঙ্গি পোজিটিব কেস ২,৩২,৪২৫লৈ হায়না রিপোর্ট তৌদুনা লৈবাক অসিদা দেঙ্গিগী অকনবা চৈথেং মায়োক্নরিঙৈ লৈবাক অসিগী অহানবা দেঙ্গি ভেক্সিন কৈথেলদা ফংহন্নবা ডোক্টর রেদ্দি অমদি টকেদা না লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি হায়রি।

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| সনা-সুদোকু-১০৮৩গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
| 7 | 2 | 3 | 1 | 5 | 8 | 6 | 4 | 9 |
| 8 | 4 | 9 | 3 | 6 | 2 | 1 | 5 | 7 |
| 1 | 6 | 5 | 9 | 4 | 7 | 8 | 3 | 2 |
| 9 | 1 | 8 | 5 | 2 | 3 | 7 | 6 | 4 |
| 3 | 5 | 4 | 7 | 9 | 6 | 2 | 1 | 8 |
| 6 | 7 | 2 | 8 | 1 | 4 | 5 | 9 | 3 |
| 2 | 9 | 6 | 4 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 |
| 4 | 8 | 7 | 6 | 3 | 5 | 9 | 2 | 1 |
| 5 | 3 | 1 | 2 | 7 | 9 | 4 | 8 | 6 |

## মণিপুরী পাউখোঙগী পাউখুম

(ঙসিগী পাখোংগী পাউখুম)
৯৯৮- ৱাইখু
৯৯৯- চানবা কৌখা
১০০০- শবি
১০০১- নাতোন চাবী
১০০২- ক্বাক (ক্বাক্লা ৱাতোন্দা তোংবগী ভাবনি)

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ
ꯑꯌꯦꯛꯄ ꯂꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ, ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯎ



খেন্নবশিং অসিগী পাউখুম পেজ ২দা
ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯄꯦꯖ ꯲ꯗ

# ফেক আই দি শিজিন্নদুনা বঙ্গলাদেশকী মীওই অমা নেভেল একাদেমিদা থবক তৌরম্লে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি):
কেরলাগী ইজিমলা নেভেল একাদেমিদা শাশিন্নবা আই দি শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমনি হায়জিন্দুনা থবক তৌরম্বা বঙ্গলাদেশকী মীওই অমা নেভেল ওথোরিটিনা ফাখ্রে।

শাশিন্নবা আই দি শিজিন্নদুনা সেন্সিটিব ওইরবা ইজিমলা নেভেল একাদেমিদা থবক তৌরম্বগী মরালদা ফারবা বঙ্গলাদেশকী মীওই অদুগী মমিং বিপ্লোব সোরেন (৩২) কৌই। মহাক কন্ট্রেক ৱার্কর ওইনা নেভেল একাদেমি অসিগী লোন্দ্রি সেক্সনদা থবক তৌরম্বা থেংনরকখিবনি। অহানবগী ওইনা ইনভেষ্টিগেসন চথুবদা বিপ্লোব সোরেন ভেলিদ দোকুমেন্ট য়াওদনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা মীওই অমনি। নেভেল একাদেমিদা বিপ্লোব সোরেননা থবক তৌরিঙৈ মহাক্কী থৌওং কয়াদা চিংনবা লৈবদগী মহাকপু ওবজার্বেসন রুমদা থল্লবা মতুং ৱাহং পাউহং চথুবদা শাশিন্নবা আই দি শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিদা চংলকখিবা বঙ্গলাদেশকী মীওই অমনি হায়না খঙবা ঙম্লকখিবনি।

মহাকপু লোগী ওইবা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগীদমক নেভেল ওথোরিটিনা কেরলা পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়নসু নেভেল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# দিমোনিটাইজ করেন্সি লুপা ক্রোর ১.৩৮কা কোন্ননা মীওই ৮ ফাগৎখ্রে

হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা দিমোনিটাইজ তৌখ্রবা চৎনদ্রবা করেন্সি নোট লুপা ক্রোর ১.৩৮কা কোন্ননা মীওই ৮ হায়দরবাদ পুলিসনা ফাগৎখ্রে। হায়দরবাদ পুলিসকী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা দিমোনিটাইজ তৌখ্রবা করেন্সি নোট ৫০০ অমদি ১০০০ চৎপী কয়াগা কোন্ননা মীওই ৮ ফাগৎপা ঙম্লে। পুলিসনা ফাগৎলবা দিমোনিটাইজ করেন্সি নোটশিং অদু মশিং থিদুনা য়েংবদা পূন্না লুপা ক্রোর ১.৩৮ নি হায়বা খঙবা ঙম্লকখিবনি।

দিমোনিটাইজ করেন্স নোটকা কোন্ননা ফারবা মীওই ৮ অদুদগী চৎনরিবা করেন্সি লুপা ৬,০০০, মোবাইন ফোন ১০ অমদি কার অমসু রিকোভর তৌরে। হায়দরবাদ পুলিসনা লম্বীদা থৌরিবা গাড়ীশিং খামদুনা চেক তৌবগী থবক চথুবদা মীওই ৮ অদু হায়রিবা চৎনদ্রবা করেন্সি নোটশিং অসিগা ফাবনি।

হায়দ্রবাদ পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা মীওই ৮ অদুনা কাজিপেদতা হায়রিবা দিমোনিটাইজ করেন্সি নোটশিং অদু শারকুলেট তৌননবা থৌরাং চথুরমখি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। অসিদা নৎতনা পুলিসকী মায়কৈদগী মতৌ করম্না দিমোনিটাইজ তৌখ্রবা য়াম্লবা করেন্সি নোটশিং অদু মীওই ৮ অদুদা লৈরম্লিবনো হায়বগী মতাংদসু মথৌতাবা ইনভেষ্টিগেসন চথুখিগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# মপুন্সিচুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

গুরুগ্রাম, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি):
হৌখিবা চহী ২০২৩দা থোকখিবা মী হাৎপগী কেসতা মরাল লৈরে হায়না লাউথোক্লদুনা অসামগী মীওই অমা কোর্টনা মপুন্সিচুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়ননা ফাইন ওইনা লুপা ৫০,০০০গী শেনফম পীগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

হৌখিবা চহী ২০২৩গী ফেব্রুৱারি ২০দা কলপনা কৌবী দোমেষ্টিক ৱার্কর অমা দোলান্দগী তাদুনা লৈখিদবগী থৌদোক অদুদা মরাল লৈরে হায়না মুকেস কৌবা অসামগী মীওই অমা দেল্লিগী কোর্ট অমনা মপুন্সিচুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবনি।

# এ বি ভি পিনা সিট ৩ মায় পাকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা দিল্লি য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী মীখলদা আর এস এসতা এফিলিয়েট তৌবা এ বি ভি পিনা মরুওইবা সেন্ট্রেল পেনেল পোষ্ট ৪গী মনুংদা সিট ৩ মায় পাকখ্রে। অদুগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ দিপানসু সোকিননা ৪শুবা পোষ্ট মায় পাকখ্রে।

আই এন সিগী নেসনেল ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই)গী মীরেপশিং মরুওইবা সেন্ট্রেল পেনেল পোষ্ট খনবগী মীখলদা মায়থিবা নংখ্রে। পনবা য়াবদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মায় পাকখ্রবা দিপানসু সোকিন এন এস য়ু আইগী টিকেট ফংখিদ্রবা মতুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা ভাইস প্রসিদেন্ট পোষ্টকী মীখলদা মায় পাকখিবনি।

WANTED PARTNERSHIP INVESTORS
Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....
Interested Investors Enquiry through Phone Calls only
Contact Us 87942 28735
SL/KK



# ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ হৌদোকখ্রে

## সি এম খেমচান্দনা মণিপুরগী শান্নরোইশিংদা য়াইফ মঙ্গল পীরক্লি



আইচি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সি)ঃ
তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৪৫দগী লাকপা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াদুনা দিসিপ্লিন ৪৩দা শান্নগদবা ২০শুবা এসিয়ন গেমস ২০২৬ জপানগী আইচি নাগোয়ানা হৌদোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌদুনা ওক্টোবর ৪ ফাওবা চথগদৌরিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস অসি হৌদোক্লিঙৈ মাঙওইন্না বাস্কেটবোল, ক্রিকেট অমসুং ফুটবোলনচিংবা মশান্নশিংদি শান্নবা হৌখ্রবনি।

পেরিসতা তা পাঙথোকখিবা ২০২৪ ওলেম্পিক্স অদুদা পূন্না এঠলেট ১০,৭০০না শরুক য়াদুনা অথোয় অহেন তান্নখিবা অদুদগী ঙসিদগী হৌদুনা জপানদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন গেমস অসিদা তোঙান তোনবা লৈবাক ৪৫দগী এঠলেট ১১,০০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা দিসিপ্লিন কয়াগী মশান্নদা অথোয় অহেন তান্নগদৌরি।

ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা অপূনবা শান্নরোই কয়ানা শরুক য়াগনি হায়না ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকপা লৈত্রবসু হৌজিক ফাওবদা শান্নরোই ১১,০০০ হেনবনা রিজিষ্ট্রার তৌরকপা লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা ২০২৩দা চাইনানা য়ূম্বু ওইদুনা হাংঝৌদা পাঙথোকখিবা ১৯শুবা এসিয়ন গেমস অদুদা শান্নরোই ১২,০০০ রোম শরুক য়াখিবা অদুদগী জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ২০শুবা এসিয়ন গেমস অসিদনা হেন্না শান্নরোইশিং শরুক য়ারবা য়াই হায়না পান্নরি।

অমরোমদা জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোই অমদি কোচশিংদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচামনা য়াইফ মঙ্গল পীরক্লি। খেমচাননা মহাক্কী ওফিসিয়েল সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৰারোল অমদা মণিপুরগী শান্নরোই ৩৬ অমদি কোচ ৩না ইনি দয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদৌরি। মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা সেপাক তাক্রো, রোৰিং, সাইক্লিং, ফেন্সিং, কেনোৰিং এন্দ কয়াকিং, বোক্সিং, ৱেটলিফটিং, ৱুশু, জুদো অমদি হোক্কীদা শরুক য়ারগনি।

মহাক্না মণিপুরগী শান্নরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা শান্নরোইশিংনা কনফিদেন্ট, দিসিপ্লিন অমদি দিটরমিনেসন লৈনা শান্নবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা এসিয়ান গেমস অসিদা শান্নরোইশিংনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মায় পাকপা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# গোপালদেব কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুল কাংখুৎ, য়াইস্কুল চিঙাখম লৈরকনা শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্লুনা শ্রী শ্রী রাম গোপাল মণ্ডপতা চথরিবা ১৯ প্লেয়র ট্রোফি লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬তা গোপালদেব কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গোপালদেব কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ১০–৫ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা গোপালদেব কাংখুৎনা অহানবা হাল্ফতা ৫ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা য়াইস্কুলনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৩ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল২ খক স্কোর তৌখি।

# মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ান এসোসিয়েসননা এন এস য়ুদা ইক্বেষ্ট্রিয়ন কোর্স হাংনবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরদা লিংলিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু)দা ইক্বেষ্ট্রিয়ানবু সবজেক্ট অমা ওইনা হাংনবা মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ন এসোসিয়েসন এম ই এনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্জেল্লর দলজিৎ সিংহ চৌধরি (রিটিয়ার্দ আই পি এস) তা তকশিনখ্রে।

ভাইস চাঞ্চেল্লর অসিনা ঙসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা মণিপুর পোনি ব্রিদিং ফার্মদা চৎতুনা মফম অসিগী ফিভম অমসুং মসিগী মচাক–মথুমশিং য়েংশিনখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মণিপুরী পোনি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট পোফেসার সিঐচ প্রিয়োরঞ্জননা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন, মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ন এসোসিয়েসন অমসুং মণিপুরী পোনি সোসাইটিনা মণিপুরী পোনি কন্নবা অমসুং য়োকখৎনবা হোৎনরিবশিং অদুগী মতাংদা মরিক চুম্না পাউদমখি।

ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা লমদম অসিগী শগোলগী মশান্নবু পামজবা নহাশিংবু শেমগৎতুনা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল ইক্বেষ্ট্রিয়ন ইভেন্টশিংদা শরুক য়াহন্নবা থৌরাং তৌরিবশিং অসিদসু ভাইস চাঞ্চেল্লরদা পাউদমখি।

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা ইক্বেষ্ট্রিয়নবু একাদমি সবজেক্ট অমা ওইনা তমহন্নবা মাঙজৌন্না তকশিনখিবা ৰাফমদু নৌহৌনা হৌদোক্লদুনা মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ন এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জেনরেল এন ইবুঙোচৌবীনা হিরম অসিদা ভাইস চাঞ্চেল্লরগী মীৎয়েং চিংশিনখি। ভাইস চাঞ্চেল্লরনসু হিরম অসিদা নৌহৌননা য়েংশিনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মণিপুরী শগোলগা মরি লৈনবা মশান্নশিংগী মরমদা রিছার্চ, একাদমিক প্রোগ্রাম অমসুং প্রেক্টিকেল ত্রেনিংনচিংবগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী প্লেটফোমদা মতাং চান্না খন্নগনি হায়বগী থাজবা ভাইস চাঞ্চেল্লর দলজিৎ সিংহনা থাজবা পীখি।

# ফামনা বিচু দেবিদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
পোষ্ট্রিয়র হোক্কী একাদমি (ফাম)না এফ আই ঐচ পোলিগ্রাম মেজিক স্কিল এৱার্দ ফংলকখ্রবা বিচু দেবী খারিবমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ফামগী গ্রাসরুট হোক্কী দিভপলমেন্ট প্রদক অমা ওইরিবা বিচুকী তোপ তোপ্পা হৈশিংবা, হোৎনবা কনবা, মথৌদা পূক্নিং চঙবা অমসুং অচেৎপা ফিরেপ লৌবা ঙম্বা অসিনা লেমজনিংঙাই ওইরবা ইন্টরনেসনেল রিকোগনিসন অসি ফংবা ঙম্বনি অমসুং মণিপুরগী নৌরিবা হোক্কী শান্নরোইশিংগী লংলবা ফিদম অমনি হায়না ফামগী জেনরেল সেক্রেটরী এন রামেশ্বর মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সাই আর সিনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
রেঞ্জ হেদ ক্বার্টর ইম্ফালনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নরগা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিংদা ঙরাংদগী চথরকখিবা মেন’স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর সাই আর সিনা ওইখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী খেলো ইন্দিয়াগী ইন্টিটিয়েটিভ অমগা লোয়ননা স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিলভপমেন্ট এক্রোস দি নেসনেল (স্পান্দান) হায়বা থিমগী মখাদা পাঙথোকখিবা মেন’স ওপন টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না টিম ৮না শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা সাই আর সিনা ৱিন্নর, এফ য়ু এফ সিনা রন্নর অমদি জি সি ইম্ফাল টিমনা থার্দ প্লেস তাদুনা মথংশীৎনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা ফোমর হোক্কী ওলেম্পিয়ন থোইবানা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবগা লোয়ননা দি আই জি রেঞ্জ ইম্ফাল সি আর পি এফ ঐচ প্রেমজিৎ, সেকেন্দ ইন কম্মান্দে নাভিন রানা, দিপ্যুটি কম্মান্দেন্ত ঐচ এন মীনা, রেঞ্জ অসিগী ওফিসারশিং অমদি লোকেলগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

# এম য়ু ইন্টর কোলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মীতিগী মীৎয়েং মখাদা থম্বাল মরিক কোলেজ ওইনামনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮দগী ৩০ ফাওবা ওইনাম ইবেতোন দেবি মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ভোল্লিবোল (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ২৫গী নুংথিল পুং ২ ফাওবা, মেনেজর মীটিং অমসুং ফিক্সচর দ্রোনা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা কোলেজ অসিমক্তা অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী অকূপ্পা মরোল এনজি মণি কোলেজ অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুদগী খঙলবা য়াগনি।

মহৈরোইশিংনা শুংশোয় শোয়দনা এ আই য়ু স্পোর্টস পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌগদবনি লোয়ননা এম য়ু ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস টুর্নামেন্টশিংদা এ আই য়ু স্পোর্টস আই দি উৎক্কদবনি হায়না ওইনাম ইবেতোন দেবি মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী ডা. এল বালেশ্বর সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এম য়ু নুপা অমসুং নুপীগী কবাদ্দি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
ছটিসঘরহনা য়ূম্বু ওইদুনা বিলাস্পুরদা গুরু ঘাসিদাস ভিশৱাভিদল্যাদা চহী অসিগী ওক্টোবর ৬তা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (নুপী) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭ অমসুং উত্তর প্রদেশকী জানপুরদা লৈবা ভি বি এস পুরভানচাল য়ুনিভর্সিটিদা চহী অসিগী ওক্টোবর ৭তা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (নুপা) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭দা শরুক য়ানবা মণিপুর য়ুনিভসিটি নুপা অমসুং নুপীগী কবাদ্দি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগবশিংগী মিং ঙসি লাওথোকখ্রে।।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েলদা খল্লবশিং অসি থা অসিগী ১৭ অমসুং ১৮দা এনজি মণি কোলেজনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্টদা মখোয়না পীখিবা পার্ফোমেন্সতা য়ূম্ফম ওইরগা খনখিবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপাগী কবাদ্দি টিমগী ত্রাইয়েলদা য়াওরিবশিং অদুদি লিলোং হাওরৈবি কোলেজতগী সমির, মঞ্জুর, মককময়ুম রাইশ, এমদি হাবিবুল্লাহ, বুয়াময়ুম পেরৰিস অমসুং অজায়রুদ্দিননি।

এনজি মণি কোলেজতগী এল বিশোমচন্দ্র, কেঐচ জামঞ্জয়, এল রেগান, দিনা টি, এল কেনিবেরনি। বিরামঙ্গোল কোলেজতগী এনজি দিএম ক্রুশ মঙাং, অথোকপম রোহিট মৈতৈ, মোইরাংথেম সনাতোম্বা অমসুং ঐচ পনশঙাকপানি।

মোইরাং কোলেজতগী নেলসন তোংব্রম, কেঐচ অর্জুন, এন এদিসন অমসুং এন দেনিনি। ষ্টেন্দর্দ কোলেজ তগী এস সামতুশ, এন নৱাশ খান অমসুং কে নেপোলিয়াননি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী ৱাইখোম লাঙেল মৈতৈ, টি বোরিশ অমসুং এল কেমরুননি।

এম য়ু নুপী কবাদ্দি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েলদা য়াওগদবশিং অদুদি এনজি মণি কোলেজতগী ঙাঙোম সয়া দেবী, হাওবম সনাথোই চনু, এলিনা লৈচোম্বম, কোন্সম সনাতোম্বী, মন্দা য়াইখোম অমসুং স্বীতি মোইরাংথেমনি।

প্রভাবতি কোলেজতগী নিংথৌজম অবেনাও, সলাম এলিশ চনু, অরিবম থোইবী দেবী, লাইশ্রম প্রিয়ালক্সমি চনু অমসুং সিনাম দেবাজারানি চনুনি। লিলোং হাওরৈবি কোলেজতগী তাঞ্জিলা মককময়ুম, অলমাশ, সুহানা ইফমময়ুম অমসুং এলিমাসনি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ২১গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কবাদ্দি গ্রাউন্দদা ফুল কিটসকা লোয়ননা ত্রাইয়েল সেক্সেনগীদমক লাক্লবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা এনজি মণি কোলেজদা পাঙথোকখিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি টুর্নামেন্টদা য়াওহৌদবা কোলেজ অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংনা ত্রাইয়েলগীদমক শান্নরোই ৩।৩ থারক্নবা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সিঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# জুনিয়র অমসুং সেনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা আর সি সি গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা থা অসিগী ২৫দগী ২৭ ফাওবনা জুনিয়র ষ্টেট চেম্পিয়ন্সিপ অদুগা থা অসিগী ২৮দগী ৩০ ফাওবনা সেনিয়র ষ্টেট চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টিম ইন্ত্রি ফীনা লুপা লিশিং অমা অমদি ইন্দিভিজুয়েল ফীনা লুপা ৫০০ ওইগনি হায়রি। চেম্পিয়ন্সিশিংদা য়াওনিংবা য়ুনিট, ক্লবশিংগী আর্চরশিংনা থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা অধার কার্দ জেরোক্সকা লোয়নক্কদবনি হয়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী এ সোনাচান্দ শর্ম্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# দি জি এ আর হোক্কী টুর্নামেন্ট: অর্মি এলাবেন, সি ও এস, ঐচ য়ু অমসুং সেয়ো মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৩শুবা দি জি এ আর হোক্কী কপ ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আর্মি এলাবেন, সি ও এস, হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং সেয়ো শিংজমৈ মায় পাকখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা মেটচতা আর্মি এলাবেননা এম পি এস সি মণিপুর পুলিসবু লাকচনা গোল ১০–২দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা আর্মি এলাবেনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ অনকুশনা মেটচকী ২শুবা অমসুং ৫৬শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১০ অগ্যপাল সিংহনা মেটচকী ১০শুবা অমসুং ৩৬শুবা মিনিটতা, জর্সি নম্বর ৩৮ সাইরিল্লুংগুননা মেটচকী ৩৮শুবা , জর্সি নম্বর ২৭ রোহিটনা মেটচকী ২৮শুবা, জর্সি নম্বর ২১, ভানু সলারিয়ানা মেটচকী ৩১শুবা, জর্সি নম্বর ১১ মানিশ রাজভারনা মেটচকী ৩৬শুবা, জর্সি নম্বর ৮৮ লাখৱিন্দরনা মেটচকী ৫৭শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২৮ জে বানপ্রিটনা চনখি। মায়থিরবা এম পি এস সিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৮ এন রোহিটনা মেটচকী ১৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২২ এন সুরেসনা মেযচকী ৫০শুবা মিনিটতা চনখি।


অতোপ্পা মেটচত অমদা কোর্প ওফ সিগনেলনা মৈরা বাশিখোংবু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীখিবা মায় পাক্লবা সি ও এসগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২১ মোখরমনা মেটচকী ২১ অমসুং ৫১শুবা মিনিটতা অদুগা জর্সি নম্বর ২২ রাজতনা মেটচকী ২১শুবা মিনিটতা চনখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদনা ঐচ য়ুনা টি ৱাই সি তাওবুং খোকপু গোল ৮–০দা অমদি সেয়ো শিংজমৈনা ৱাই সি সি আই সি অহল্লুপপু গোল ৫–১দা মায়থিবা পীখি।




SL/B(KK)/31 (one month)



# মহৈরোইশিংগী খুদোল


TITLE : TITANIC
**Okram Lanthoiba**
Class: III
Roll No: 1, Sec : B
School : Pitambara English School



TITLE :SCENERY
**M. Rishika**
Class: IV,
Sec: B
School :Royal Education Center.



TITLE : TEMPLE
LANCHENBI
Class:IV ,Roll No: 32
School: Heritage Convent



TITLE : SCENERY
**Ksh. Victor**
Class:V ,Roll No: 30
School: Royal Education Centre



TITLE : SHADES OF THE VALLEY
**Oprah Rajkumari**
Class: VIII
Roll No: 1
School : USR Chanung




TITLE : TWILIGHT OVER THE RIDGE
**Gogoi**
Class: VIII
Roll No: 8
School : USR Chanung



TITLE : A PEACFUL TWITIGHT
**Purnachandra**
Class: VIII
Roll No: 3
School : USR Chanung



TITLE : SYMPHONY OF THE FALLS
**Purushmani**
Class: VIII
Roll No: 16
School : USR Chanung



TITLE : RURAL TRANQUILITY
**Rajkumari Nevidita Devi**
Class: IX
Roll No: 35
School : USR Chanung



TITLE : THE SOLITARY HOMESTEAD
**Birraj Irengbam**
Class: IX
Roll No:11
School : USR Chanung


Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, , RNI Registration No. 31350/ 77
e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com